হেমেন্দ্রকাল
ইলিশংসী
মনোত্তর



শরৎচন্দ্র মিত্র

াজিল্লকপা ঈশিংগী মনাক্তা

হাজিল্লকপা ঈশিংগী মনাক্তা

শরতচান্দ থিয়াম



পোক্নফম পব্লিকেসন্স, ইম্ফাল

HAJILLAKPA EESHINGGI MANAKTA

(In the land of backwaters)

a travelogue in manipuri by Saratchand Thiyam ; 1994



অহানবা ফোঙবা : সেপ্তেম্বর ১৯৯৪

মশীং : ১০০০

অফোঙবা : শামুবাইলাৎপম গোপাল শর্ম্মানা,
পোরুফম পব্লিকেসন্স ইম্ফালগীদমক ফোঙবা

ফংফম থোকপা : পোরুফম পব্লিকেসন্স, পাউনা বাজার ইম্ফাল

মথুম : রাজকুমার জয়কুমার

নম্ফম : পদ্মা প্রিন্টর্স পাউনা বাজার ইম্ফাল

মমল : লুপা ২০

অইবগী ফোঙখ্রবা শৈরেংগী লাইরিকশিং :

১) তেঙ্গালি কারবা পোদোন (১৯৮০) ২) শো চবুন (১৯৮৯)

৩) অফ্রিকা (১৯৯৩)

য়ুম থাদোক্লুনা
থবক অমা হেক চৎলুবগী
হল্লকপগা ঙাইঙমদনা
নশুবু কৌশিন্দুনা
খোঙচৎতুগী ৱাবী হেক হেক
লৈ'হনখি। খোযজংনস্তু
তাবিখি ঐগী ৱাবী পুন্নমক
চীকথনা যাম্না চীকথনা।
খোঙচৎসিগী ৱাবীসিমদি
লীবা নংদ্রিবৈঙে
চৎখ্রেদো ইপুবোক নহাক্তি
কনানস্তু কল্লক্লদ্রবা নফমহুদা।।
নশুনা লীজবি ৱাবীসি
মহৌশাগুম খোযজংনা তাবীবমগনি
থন্না ঙসি
নুংশিজববা ইপুবোক গন্ধাব
নহাক্কি নফমদা।

ৱাহৈ খরা

লমকোয় ৱারী। ইবদি ইকংবে। হৈতবা হায়বসিনা লমকোয় ৱারীশিংগী মগুন মাঙলমসিংগা খঞ্জে। হৈতবনি খন্না ঙাকপীগনি।

নুমিৎ কুম্নিগী থোঙচৎনি। ফেব্রুৱারী ১২ দা চৎলগা মার্চ অহুমদা হল্লকপা। সাহিত্য একাদেমীনা কেরলাদা চৎননবা ত্রাভেল গ্রান্ট পীরকপদগী চৎখিবনি। গ্রান্ট পীবিবদগী কেবলাগা শকখঙনবা (খজিক্কুং ওইরবসু) ফংজখি। মলয়ালম অইবা কয়া উনদুনা সাহিত্যগী মতাংদা ৱারী কয়া শাবা ফংলকখি। কেরলাগী মফম খরগী শক্তম উৱকখি। হৌজিকসু মিত্তা শং শং উরি। চপ চানা হায় দোক তমথোকপা ঙমদবগী ৱাতনি।

কেরলা চৎলুবগী পাউ অসি মরূপ মপাং কয়াগী মফমদা লীখি তমখি। নাকল অমরোমদা কেরলা চৎলুবগী মতাংদা মরিক চুম্বা লমকোয় রারী অমা ইতুনা লাইরিক ওইনা ফোঙদোক্লনবা তক-শিল্লকপস্থু য়াংখি। দিরেক্তরেৎ ওফ ইনফোরমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সতা দিস্ত্রিক ইনফোরমেসন ওফিসার ওইরিবা মেঘচন্দ্র কোঙবম অমস্থুং দূরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগী এসিষ্টেণ্ট দিরেক্তর ওইরিবা আর, আর, মিশ্রানা লাইরিক ওইনা ফোঙদোকপা য়াননবা মওং তাবা লমকোয় রারী অমা ইথোক্লবা অকনবা ইথিল পীরকখি। মথং মথং রঞ্জিৎ দব্লিউ, মেমচৌবী, বীমাবতী, কুঞ্জরানী, নেত্রজিৎ, তোম্বা ইন্দ্রকুমারনচিংবনা তকশিল্লকখি। মখোয়না তকশিল্লকপদগী হৈবা হৈতবা থিদনা কেরলা চৎপদগীনা হল্লকপফাওবগী মনুংদা থেংনরকপা ঐ়ঙান্দা ল্লুংঙাইনা থোকপা থোদোক থরা লৌখত্তুনা ইবা হৌখি।

ইবা হেক লোয়বগা ফজবা থীবা সুকখন খন্দনা কেরলা চংমিন্নরুবা য়ুমলেম্বম ইবোমচা অমস্নুং বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমদা ঐগী মন্নুস্কপ অসি অমুক্কুং য়েংবিনবা হায়জবা মতমদা মখোয় অনীনা থরায় হকচাং য়াওনা য়েংবিখি। অশোয় অণ্ডাম কয়াস্থু চুম-থোকপীখি।

ইবা লোয়হনা লাইরিক ওইনা পুথোকুবগী মতাংসি য়োরকপদা কোক শাবা হৌরকখি। অহুবু পোক্লফম পব্লিকেসন্সকী শামুরাই-লাংপম গোপাল শর্ম্মানা পব্লিসর অমা ওইনা চোংথোকপীরকপা মীকুপ্তা ঐগী মুংঙাইসগী ঙমখৈ লৈখিদে। লাইরিক অমা ওইনা থোরক্লগনি খনবদা পংমুংদা মুংঙাইখি। ফজবা থীবগী রাখলদি মুকথন খল্লুদনা। য়াম্না থরায় য়াওনা লাইরিক্কী মওং মতৌনচিংবা শেম্বীখি থিয়াম রঘুমনি সিংহনা। হৌবদগী লোইবা ফাওবা চোকথবা নাইদনা রাজকুমার ভুবনসনানা প্রুফ ককপীখি। লাইরিক অমা ওইবগী মশক থোক্লবা মখুম য়েকপীরকখি রাজকুমার জয়-কুমারনা। পদ্মা প্রিন্টর্সকী পুকচেল চাওরবা ইচিন ইনাওশিংনসু থরায় য়াওনা হোৎনবীখি।

পুম্নমক্কী মফমদা থম্মোয় শেংনা ইকায় খুম্নবা উৎচরি। তৌবিমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা পুম্নমক্কী মফমদা মুংঙাইবা অমসুং থাগৎপসু ফোঙদোকচরি। পাবা য়াবা লমকোয় রারী অমা ওইরবরা হায়বহুসু ময়ামগী মফমদা থমজরি।

১। ৯। ৯৪ শরতচান্দ থিয়াম

Acknowledgements

Life changes its colour on confrontation with new experiences. I had such an experience on my visit to Kerala under the Sahitya Akademi's sponsorship. The success of the three-week-long journey is in my realisation that travelling helps in exploring the depths of life. My heartfelt thanks go to the Sahitya Akademi, New Delhi for awarding me the Travel Grant (for writers) which opened my eyes to see the village life in Kerala, the fishermen's world on the sea-shore, the Keralites' way of life and their

cultural tradition from the close quarters. My interactions with Malayalee writers and literary organisations had also a telling effect.

Putting on records of our new experiences and ideas have been a phenomenon of the creative men to imprint a lasting memory on our busy brains. I began to write this memoir on persuassions of Shri Meghachandra Kongbam, District Information Officer of the Directorate of Information and Public Relations, and Shri R. R. Mishra, Asst. Station Director, Doordarshan Kendra Imphal. But for their encouraging persuassions, this travelogue would not have attained its book form.

And how can I do injustice by not taking the names of Shri Yumlembam Ibomcha and Shri Birendrajit Naorem who, apart from making a good journey companion, made omissions and commissions on my manuscript.

And I make special mention of the name of Shri Shamurailatpam Gopal Sharma, proprietor, Poknapham Publications for his indebtable service of making my travelogue into publication.

I don't claim my story to be a photographic-detailed report of my journey between 12 Feb—3 March 1994. It is but only the mixed-feeling of my exposure to another society.

Lastly, I bow to all the characters of my story who made ever-lasting imprints on my memoryland and imbued with unwashable colours.

1/9/94 Saratchand Thiyam

য়াওরিবশিং

লাল

লাল। খল্লকই মঙন মঙন বস মন্নুংদা। চংলিবসিবু লাল হাযবত্নবা। ঐখোযনা লান্মী। গুৱাহাটি যৌনা চংকদোরিবসি পূন্না বস মাপন্নি। ঐখোযনা তোংবা বসনা খ্বাইদগী মযায়দা লৈ। মম ৬ ইৎং থ বা বসতুদা অঙাংবা ফিবাল অমা রাংনা হাইগৎলকই। বস মাপনগী ইস্কোর্ট তৌবিবনি হায সিফাই থবমু কাখৎখি। খ্বাই-দগী ভু. থ বা বসংস্তু থবা কাখৎখি। অঙাংবা ফিবালনা মনিং তম্না ফব ফব হাইবত্নু। ইম্ফাল থাদোবকপসি ফেব্রুৱারীগী ১২, ১৯৯৪, ফাইবেনগী নীনী পানবা থাংজ নুমিৎনি। নোংমাইজিং চীংদগী লিংখোকচবকপদা ঙাইহৌবিবা নুমিৎনা মশা খিংদোকচবত্নু। তরং তবং থোকহৌবি। ইম্ফালাইটশিংমু অমম্বা অহীংগী ফিজোল হাংদোক্লদুনা চাইথনকপা কোবৌগী মঙান্দা হকচাং শেংদোক্লহৌরি।

খনবা। খনবা হায়বসিম্মু অঙকপা অমনি। খন্দবা। খন্দবা হায়বমদি ঐঙোন্দা লৈত্রে। খনবথক্তনি। হৌঅবগী। তুংগী।

বস মন্নুংদা ঘিল্লি হ [illegible] ভুনি [illegible] কোয়[illegible] ঐগী [illegible]
রাবকপা উমজদে।

- তাইবোমচা চৎলগনিবা।
চৎনি চৎনীংই। অতা
অতু অদা থডরে, তাইবোমচা [illegible]
—হাই চৎনাসি। থাগৎলবা [illegible] থাখিনবা

ঐগী অডকপা অমনা, অইবাংদা সেন্টেন [illegible] এর দেমী।
লম কোয়বা চৎনবগী প্রান্ট পীবদা ঐন খৎ [illegible] বগী চে ফংবদনি।
থনখি ইংভোম হবা নত্রগা কনা কনা। কোন দা খডলকখি যুমলেপ্নম
ইবোমচা বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম অম [illegible] চৎ [illegible] হায়বা।
লনচেনবদি মবন্নাইগী থবক অমা [illegible] চৎনাবই [illegible]-
মকখি। তাইবোমচা, বিরেন, ঐখোন অমম [illegible] কেবলা
নত্রগা [illegible] মিলনাতুদা চৎ [illegible] হায়বগা ম [illegible] ল অমা [illegible] দেমীদা খড-
হনখি (চৎনা [illegible] মকম [illegible] এক দেমনা অমু
মথম অমতুং থ [illegible])। বেবলাদা [illegible] চৎনা হায়বগা অয বা
একাদেমীনা পীরবা [illegible] ঐখো [illegible] বস অমগ [illegible] নগী [illegible] কৎ
ককখি।

মমাঙ থংনিনা [illegible] "চৎপ [illegible]। অ [illegible] খিবা [illegible] লকই। ইথতু। থককই [illegible] পুন্সিসিগা।" ঐগা [illegible] ইদগী নুন [illegible] মকপ [illegible] খিনতু
নীংথীনকই 'পুন্সি হায়বসি লালনি। থংনাগনবনি। [illegible] হন্না
চেনাগ থক থল্লে [illegible] দবনি। [illegible] পুন্সিগী [illegible] গী
লম্বীদা [illegible] মখ [illegible] অনা পু [illegible] মঙ্গল
ওইনারকউ।" [illegible] চৎমিন্নবিবা [illegible] মরুনক
কবিম [illegible] ইম্ফালবু গন্দোর মা। মাও [illegible] য়ীনদা

লেপখি বসশিংম্ন। ঙংলহুনা খোংলহুনা চীংলয়ীশিংবু মথং মথং লাম্থোরকপদা চোকথবা নাইম্রবা বসশিংম্ন খঙমাল্লে পেসেঞ্জরশিংসি চাক লামলে হায়বা।

-"কদায় লুপা চাম্ম খায়জীল্লকলে।" বসভগী হেক কুমথবগা কম্মন ফন্দ ওইনবা ঐনা পৈশা খ.ইবদা তাইবোমচানা ঙকা হংলকই

- কনানা তাকপীবকই

ভামো মেঘচন্দ্র কোঙবম্না

নোম্নহুনা লুপা চাম্ম চাম্ম পীরকই। ঐগী চাম্মহুগা পুল্লপ ঐনা পায়শীল্লগা চাবা থকপগী খরচতা শীজীন্নবা হৌই।

ন্নমিংস্ন তপ্পা তপ্পা লৈথবম্লে। ন্নমিদাংয়াইবম পোক্লফম খবরগী ওফিসতা ময়াম লাংউবন্থ নীংশীংলকপা হৌবক্লে। ওজা সমরেন্দ্র, ওজা নীলকান্ত, তামো গোপাল, ওজা তোম্বী, ওজা ইবোপিশক, য়াম্বুং ভুবন, তাবীরমণি, ওজা ব্রোজেন, ওজা রাজেন, ওজা সুদন, তামো প্রিয়োকুমার, ওজা সোমোরজিৎ, তাগোজেন, মরূপ দিলিপ, মরূপ রঘু, মরূপ সনাতাওবা, মরূপ রোবিন্দ্রো, তামো রনজিৎ, ইনাও ইবোমচা, ইনাও ইরাবত মথং মথং মীংম্নংদা চোংথোবকলে। ন্নমিন্না হেক লৈবগা, হেক স্নকথবগা তাইবোমচানা হংলকই — "কৈদোংবে শরতচান্দ. ইস্নক স্নকথরবদি। কনা নীংশীংলিবনো? কবি খল্লিবনো"

--"মহাক নীংশীংলকইনিনে"

—'মহাক হায়বা কননো?" বিবেন্দ্রজিৎনা হংলকই।

--"মহাক হায়বদি পোক্লফম।" ঐনা নোক্লহুনা খুম্বদা ন্না লাউনা নোকই। বস তোংমিন্নবিবশিংনা কবি খন্নমগদগে খঙদে। ঐখোয়বু থিল্লম্বা পিফাইশিংস্ন মাওদা লৈহৌরবনিনা লাকমিন্নবা বস মাপনমক মানা মানা থোকপা থৌনম্রে। ঐখোয়বু পুবিবা বসনা দিমাপুরদা হেক থুংবদা ন্নমিংস্ন চীংগী মকমদা লোৎম্রে।

হাজিল্লকপা ঈশিংগী মনাক্তা

নোংঙাননগী থুমিং মঙাম্মা থিন্দোরকপদা গুৱাহাটি য়ৌবে হায়রূনা বগ্ন তোংলিবা পুম্নমক কুমথনবে। থুমিদাংগী পুং তবামা থোই মথাইদা ট্রেন চংকদবনি হায়বত্রুদা ঐখোয় অহুম মতম ঙাইরা ওইনা হোটেল অমদা চঙলে। ঐখোয়না লৈবিবা পৃথিবী অসি লেংলি হায়বসি অমুক খঙলকই গুৱাহাটিগী ট্রেন স্তেসন্দা ঐখোয় অহুম ইশাগী পোৎ চৈ মযাম পায়বত্রুনা লেপ্পা মীকুপতুদা। গুৱা- হাটিদগী ত্রিবান্দ্রম (হৌজিক্কা তিরুবনন্তপুরম) ফাওবা চংননবা হান্নদা বিজার্ব তৌরবা ঐখোয় অহুমগী কোচতুদা চংতুনা ফমলে। মীনৌ ময়াম থেংনবে। লোল ফাওনবোই ফাওনদবোই য়া য়া লাংলত্রুনা গুৱাহাটিদগী পুরক্রে ঐখোয়বু ত্রিবান্দ্রম সেস্ট্রেল এক্সপ্রেসনা।

নোংঙাল্লকপদা উরকই অমাংশং ওন্থোক্নবা অপাকপা লবক লমহাং। অসাম বিহার ৱেস্ট বেঙ্গল ওৰিসা অন্ধ্রপ্রদেশ তামিলনাড়ু মথং মথং চঙশিল্লকই। সুবা নোংদা চোকথবা নাইদ্রবা লৌমী শিনমী কয়াগী পাঙ্গলনা তাতুনা শেল্লবা লংক্কা অশংবা পাম্বীশিংগা মনিং তম্বা থুংশিংকা হরাওনা তিন্নজবত্তু উবদা লমশাং লাকপগী অরাবা পুম্নমক ঐঙোন্দগী মাঙখিবম্মী। ইথস্তুনদি থম্মোয়দা হংজখি—"অশংবা মহে মরোংশিং অসি জামিন্দারশিংগীবা নত্রগা লৈখোমদা লৈওল্লিবশিংগীবা?" ফিথুংদ্রবা অঙাংশিংনা চেম্থোক চেম্থোক্নুনা মথূৎ হাইবি। ত্রিবান্দ্রম তান্না প্রবনা ঐগী ইথৌনি থঞ্জরিবা ত্রিবান্দ্রম এক্সপ্রেসনা অঙাংশিংব হুম্না য়েংলমদনা চেল্লি। ঐগী খূৎ অসি থোংনাওদা থিন্দোক্লত্রুনা হাইখিবত্তু মখোয় উবমগদ্রা?

ওরিসা যৌরকখিবদগীনি ঐহাক চাবা থকপদা হৈনদবা ফাও- রকখিবসি। চাক খবা চারগা পংহিংদা হিংলকপা ঐঙোন্দা অচোই অপা চাবগী হৈনবী লৈতে। মবম অসিনা লমশাং চংলকপদা অরাবা কম্না শায়োক্লরকই। অয়ুক্কী থুমিদাংগী চাক খরা চারগা পেনজবা ঐনি। চাক চথোম অমত্তং য়াসিদা তাত্রিমখৈ লৈতাফম খঙদে।

ওইবোমচানা ঐগী ইথৌসিদা নোক্লক্লুনা চাকমী হাযবা মীংথোল অমা পীবকই। খা ভানতকী চান থক্লবা খুদিংমকী মগা ও হৈনদ্রবস্থু হৈননবা তে ংনবদা যাম্না রাখি। যাম্না তোইনা ঐগী চিনবান অমস্থুং লৈগা ঐগা থংনখি। মসিগী ফলনা মীংপান অনী শম্লবকখি। ওইবোমচা অমস্থুং নিবেনগী ফাগীদা ঐগী চাকথবা কযাদি মাঙখি। ঐনা তুনিম্ন হেন লৈরগা • ওইবোমচানা ফাগী তৌংকই

চ৭। মঙদা বং উনম্মী।

মচগা নঙদদ। পেন্দন মচ মঙবা যাব্রানে

য ইন। ঐদি ইচান্নপা অংপ্নত্ত উবম্মী। নহে নঙব

মগাক স্নুকউ ডাদ্রে

মগাব হরর বংারন

মহাব হাংদ লৈদনা।

৩। ৩।

পূম্নাঙ নাজই পূম্নান নিম্নি ঐখোযগী কোচত্। অতৈ অতৈস্তু পূম্নাঙনি। মখোয মখোযগী রাবীদা। খবা খবদগী চা থকগা অচোই অপ চাব। হৈবকালে খঙবদগী ত্রিকবনন্তপুরমদা থনম্বা যাবনি খঙলত্তনা ত্রিবান্দ্রম এক্সপ্রেসনা ফেব্রুরারী ১৭ কী অযুক্তা থনম্মী ত্রিবানন্তপুরমদ।

সমুদ্র অতুমগী শান্নফমদা

ইবাইনি। ফেব্রুৱারীগী ১৮। কন্যাকুমারী চৎলুসি হাগনা রাবেপ অমা লৌতুনা ঐথা অতম কেরলা ষ্টেট রোড ট্রান্সপোর্ট কোর-পোরেসনগী বস অমদা চৎলি থিরুবনন্তপুরমদগী। পূং মরিদি বস মন্নুংদা ফম্লগা লহৌগী নাক যেংকী যজবা পূম্নমক যেংখি। বস মন্নুংদা ফম্লিবা ফোরেন্নব খবদুস্ত অকোয়বগী ফিভমন চেকশিন্না যেংবা উই। পাবেং পাবেং চৌবিবা যুবী পাঙ্গীশি তুক তুকবা পুখিগী ঈশিং, মোং হাদনা চেল্লিবা তুরেলশিং মথং মথং উবকপদা মৈথক্তা ফমজৌবিবা মণিপুরগী নীংথীংলকই। যুম মৈ থাবগী, হাৎন স্নবগী অকনবা নৈবীন মায়কৈ খঙদনা চাকশিল্লকপগী লাংঙক্লুবা মরক্কুদগী পাম্পোরল্লগা হংলবা কেরলাগী মফম খা্যা ফাও ফাওদনা লাকপদা ঐগী হকচাংগি ইতেক ভেকথংলকপগুম তৌখি। যেংলুবা মাযকৈ থূদিংমক্তা অশংবগী অশংবা ওাক্তা।

ঐগা বসন্তা ফম্মিন্নবিবদু নামিলনি। মীযাই চপ্লে। কেব-
লাগী শকক লোইখিজনা ওামিলনাড়ুগী ভমথৈ চঙশিল্লকপদা ঐনা
মভোন্দা হংখি   কদাহ চৎপাদোইনো

নগবকোইলদা

ভূমিন ভাইহাক লৈনৈ। অচিকপা (ডবা নিখওগী) থুগাই-
বড়ুনা মই রুা হংলনই   বদাই চঙোইনো

কন্যাকুমারীদা।

কবি হমনগীনো।

মনিপুরগী

কন্যাকুমারীদদি ববিগী চংলবা

ম ... বনি

"চং চংলা প্রুম নাম যংবগী র া।   নপ্রগা অভোয়া নবম
সেপ্রেল সাহিত্য একাদেমীগী এাভেল গ্রান্ট অমা ফংই।
অইনা শ না পাবা গ্রান্ট অসি ফংবদগী অহবা থবমু উনগে,
না ... যগে না বগনি।

মহাব ... বিগুয়া ববা বনব মাল্লি। ভূমিন্ন মভব নোম্ববড়ুনা
লৈখি। ঐস্ শাববা নশাগী মৈশান ভাকথোক্লবা .হ ৎনবদা
ইনাওা লৈাবিবা ঈশি অড় াথোক্লুনা থ.ই। ভূমাানা প্রুমচোৎ
চে ৎন ... বিৎ। দামম অ। অনী ায়ে কলিভৈদা মহাক্না
হ নাবখি ‘মণিপ্া াগী পাংদৈ ৎনবদি ...কাববা?” ঐহাক ইভক
ভাই। ... মনিপুরদা থোবপা থেংদ বর থোবপু মহাক্ন বপম্না
থঙলম্বিবা। ঐগী পা উয়ুম পাদ্রিদৈন অমুাম্ম হায়বকই –“টিভিদা
সেদিভদা পদকদা উবদ ঐহাক খাঙন ভমদে। পাকপ্রবা অঙাং
ফংবো মা ... ডম া ... দনা পাংতোবপা।” মথং মথং অহিবা
লৌদে। ... নাাই। ঐ ...না মাগী মমাং অহু চ গদনগী
মতৌগুম য়েংলকই অড়ুগা ...লকই ‘নাগাগা কুদিগা কবিগীনো
থংনবিবনে?”

—হৌমলেন্দ তানবা, মোরে ঃ। ওন মুন্নবা, হাওস তেঙ্গ খোম্ব-
নচিংবা

– মতুব ওইথোক্কদ্রনে
ঐনদি করম্না হায়গনি

--নঙদি অইবনি। অইবা অমা ওইনা মসিগী মরমদদি ইব্রা

– ঐদি শৈরেং ইবনি। ঐগী শৈরেং খরদা মসিগী নুংঙাই-
তবা খরদি ইথ্রে

--অইবা অমা ওইনা হায়বিধু। কবম্না সোলুসন পুরক্কনি।
অইবশিংগী মায়কৈদগী করি থবক লৌখৎপীরে।

নুংশাগী মৈশানে বস মন্নুংদা ওমশিন্দুনা ফম্নগী শাবনে মহাক্কী
রাহংগী চৈনানে ঐহাক শ্বর হোল্লি হায়বা নওনা নুংগী মুত্তি ওইনা
উরমগনি মহাক্কা ঐবু। লাইবক্তা কাবিবা হুমাংতু তৈথোক
তৈথোক্না ঐনা খুমখি "য়ানবা পুরকপা হায়বসি ঐখোয়গী লিদর-
শিংগী খুত্তা লৈরে। ঐখোয় অইবশিংগী মায়কৈদগীস্তু হোৎনবা য়াবা
হোৎনরি। মণিপুরদা ফেঙবা খ্বাইদগী চৎপা নুংগী পাউ চে
পোক্লফমস্তু ১৯ শুবা চহীগী স্পিসিয়েল ইস্তু পুথোক্তুনা অইবা কয়াগী
মত ফোঙদোকলি।" মহাক তুমিন্না অমুক লৈখি। ফরম্বা রাহ
অমুক হংলকপা হায়বগী অনৌবা হুমাং অমুক কাবকই। রাহংমক্তি
হংলক্রে – "নখোয়গী চাউখৎ থৌবাংদদি য়াম্না শোক্কমগনি। ফরে,
জরনিতু মঙ্গল ওইবীযু। ঐ লৈজহৌরগে।" বস হেক খাম্বদা
ঐহাক খঙলকই নগরকোইল যৌবে হায়বা। ঐনা নোক্লতুনা
হায়খি — "থাগৎচরি।"

নুংথিলগী পুং অহুমলোম তারে কন্যাকুমারী য়োৎপা। হোটেল
অমদা চঙতুনা চাক চাথোক্লগা থোবকপদা উবে মায়াম। ভারতকী।
মপানগী। সমুদ্র অনমগী তিন্নফম্নি অশেংবা মফমনি হায়বতুনরা
মফম অসি খংফ ফজবগুম তৌই। ইন্দিয়ান ওসিন, বে ওফ বেঙ্গল

অমসুং অরাবিয়ান সি অগুম্না কোনশিন্নহুনা চিনবানগা চিনবানগা চুপ্নহুনা শান্নরম্মী। ওসাইমখৈ ইনাক্তা ওৎ নৈহুনা লৈরম্বা ঐগী রাখলসু ফজবসি উবদা ডাওরমাল্লে। ঐবু থাদোক্তুনা মখোয়গা শান্নমিন্নখি। তোর্বান্দা হঞ্জিন হঞ্জিন য়ৈবগী চ্রোক চ্রোক লাউবা মখোলনা তোয়না তান থারকই ঐগী খোঙথাংগী। লৈঙোই মরক্তুদা লেপ্লহুনা য়েংথোকখিবদা তাম্না শন্দোকখ্রিবা ঈশিংগী ঈমায় নত্তুনা কবিসু উখিদ্রে।

সমুদ্রগী তোবান্দা নপ্তুনা শারিবা গান্ধি মন্দপমদা চঙলুই। ১৯৫৬ তা শাখিবা মেমোরিয়েল অসিগী মফমসিমক্তদনি গান্ধিগী উৎনা সমুদ্রদা তিন্দ্রিহৈদা থমখিবা। মহাত্মা গান্ধিবু খঙনীং নীং-শীংলকই। মহাক্কী থৌনা, কখোকপা। মুংশাসু য়াক্লা শারম্লি মন্দপমদগী থোরকপদা। ঐখোয় অহুম তুংথ মাংথ থোরকপদা মন্দপমগী গেট মনাক্তা লম কোয়বা লাকপা মপাহুনা পুবিরক্লিবা মচাহুৎ মনা লৈহুনা খুৎপাক্লা থাহুনা ফুবহু উবদা ঐহাক স্বায় লাংখি। মঙলা ৎাইবঙলা! মনীংতম্না শান্নরিবা সমুদ্র অহুমহুগী মথৌগুম লৈঙোই মথক্তা মচামুপাহুনা মনীংতম্না চেন চোংবা উবদনি মপাহুনা ফুরিবা। ঐহাক চঙশিন্দুনা করিগুম্বা থরদি হায়নিঙখি। সুৎ সুৎ কপ্লহুনা অঙাংহুনা মপাগী মখোং কোল্লহুনা লৈবহু উবদা ঐহাক চঙশিনবদি ঙমখিদে।

লাইব্রেরীশিংগী মবক্তা লৈশাবী ওইনা লাইব্রেরী ওইখিবসি কন্যাকুমারীসু অমনি হায়বহুদা ঐখোয় অহুম থুরুমলুসি হায়না চঙলুই। মুপা খুদিংমক্তি থুকুম্বা চঙবা মমদা ফুরিং লিংপা য়াদে হায়বহুদা ঐদি থোঙজীন্দা নেপ্লহুনা থুকমজখি। তাইবোমচা অমসুং বিবেন্দি ফুরিৎ লৌথোক্লগা থুকুম্বা চংখি। লাই থাজদবা মীশক্লি তাইবোমচাদি। চৎনবী, থাজনবী মওং মতৌ কমদোগে হায়বহু য়েংগে হায়হুনা লৌথোক্লবা ফুরিৎ অহু ঐঙোন্দা শিন্নবল্লগা চঙখি।

থোরক্লগা ঙাইগাক পোত্থাবা ওইনা সমুদ্র তোর্বান্দা ফম্মিল্লছুনা সমুদ্রগী ফজবা য়েংলগা ঐহাক্না তাইবোমচাদা খংগায় হায়দোকখি - "মহাক য়াওরক্লুম্লবদি কয়াদা নুংঙাইরমগদবনো !"

বিরেন্না স্বামী বিবেকানন্দ রোকতা অমুক চৎলসি হায়রকপদা। ঐখোয় অহুম্মক ফেরিগী টিকেট কক্লুনা রোকতা তম্না চেলুবদা ঈনৌ নৌবা রাখল কয়াননা ঐগী কোক্তা চেলকখি। বিবেকানন্দগী থৌনা, মতিক মগুণ মথং মথং নীংশীংলকই। মহাক্না ধ্যান তৌখিবা মফমতুমক্তদা ঐহাকস্লু মিনিট অহুম ফমদুনা সংসারগী অরা অনা পুম্নমক কাউথোকখি। অদুগ থোরকপদদি ছাইব পানবগী পুল্লিবা অরা অনা পুম্নমক্না অমুক চেৎনা পুনশিনবীরকখি। ঐগী অশোনবা মতৌসি উবদনি অরা অনা মীনুংশি কয়াননা ঐগী কোকসিদা মনিং তম্না হেক হেক শান্নরবিবা। সমুদ্রদা নুমিৎ তাবা উই হায়বদুদা চৎলসি হায়দুনা সন সেং তান্না লাকই ঐখোয় অহুম। কুচু মুবী অঙৌবা য়াদগী হেন্না উদবী চহী শরেংমুক্কী নুপীমচা অমনা লংনা শাবা লাইফদিবী খরা গায়দুনা ইতুং কোইল ইল্লকই। মহাক্না লাইফদিবী অদু পাযরদুনা লুপা অহুম লুপা অহুম হায়দুনা পীশিল্লকই। থোইদোক্না খোয়দাবা তৌরুদে মহাক্কী লাইফদিবীদু। অমরোমদা লুপা অহুম পীবদুসু পামদে। ঐনা চৎলে। চৎলে। পামদে হায়বদু মগাক্না য়ানিংদবগুম ওই। কোয়গান তাম্নরকই। ঐনা চৈবদুদা চঙদি চঙলক্লে। মী পুম্নমক, নুমিৎনা সমুদ্রদা লুপখিগ-দৌবে হায়দুনা লাংতক্না অমগা লোয়ননা য়েংনবি। অদুবু মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা অচৌবা লৈচিলগী মপে খরনা নুমিৎপু খুমডিনখিরম্মী। নীংবা কায়বগী মায়থোং কয়া উরক্লম্মী। ঐসু নুমিৎ তাবা উবা ফংলবোইদ্রা হায়দুনা লাংতক্লিরিঙৈ শাঞ্জাদুদা তুংদগী কনাগুম্বা অমনা ঐগী ফুরিত্তা চিংলছুনা হায়রকপদু তায় -- "ভৈয়া তিন রুপিয়া।" ঐনা হন্না য়েংথোক্লুবদা ঙসাইগী কুচু মুবীদু

ঙৈইবস্মী। ফুবিংখাগুদগী মথায় চংপী অমগা শিকি চংপী অমগা লোৎথোক্লুনা পীবদা নৈঙোই মথক্তা হুন্দোক্লম্লগা চেনখি। মহাক্কী মীৎয়েং ঐহাক ভাব তারকই--"ঐহাক চাকনি ফিনিবী নত্তে। পোৎ খবসি য়োল্লগা হিংনবা তোৎনজবনি।" ভুং হন্না হন্না য়েংহুনা চেনখ্রিবী মাবু কৌই। য়ানিংদবগুম তৌই। মখূৎ হাইবকই। মহাক্কী লাইফদিবীদু নৈরগে লাক্লো হায়না হায়বদা হবাও হরাও চঙলকই। ঐনা বিরেন্দা ফোটো নমলক্ত হায়না ঈঙ্গিং তৌই। ইনাক্তা চঙশিল্লক্লুনা মাগী লাইফদিবীদু পীবৈ। মাগী লুপা অহুম অতুম্ব ঐনা হেক পীবা মীকুপ্তুদা বিরেন্না ফোটো নম্লকপদা মহাক্না ইকাইজবহুনা বিবেনর কোইতান তান্নহুনা ফুই। নুমিৎপু সমুদ্রনা য়োৎথ্রগনি খন্নবম্বা অতুম্ব নৈচিল মপৈ অমনা য়োৎথ্রবদা নুমিৎ তাবা য়েংগদবগী ঙাইনরম্বা মীযামস্তু নীংবা কায়না মচোয় মচোয় হন্নখ্রে। লাইফদিবী য়োনবী কুচুমুবী হুপী মচা অতুম্ব লুপা অহুমদু পুবহুনা অমম্বা মবক্তা মংঙাখ্রে। মালেমগী শরুক ওইবিবা নৈবাক নৈতঙ্গাখনু মচেং মচেং থুগাইবগে মতাগুম সমুদ্র অহুম্না পুনশিন্দুনা শেম্বা অকনবা ঈথরুা নৈবায়দা য়ৈশিনবা লেপত্রি। চেৎোক চেৎোক লাওবা মখোল অতুম্ব কনথংলকই। ত্রিবন্দ্রপুরম্না লাক্লো হায়তুনা খূংলাম তোইনা কৌবকপতুদা ঐখোয় অহমদি লাক্লে। ঈথক্তি লেপ্পা নৈতনা হৌহৌবি।

মঙ অমসুং তাইবং

ত্রিস্সুরনা হৈরিবা কেরলা সাহিত্য একাদেমীগীদা চৎকে হায়না তিরুবনন্তপুরম থাদোরকপসি যেব্রুৱারীগী ১৫ শংগোলশেল নুমিত্তনি। ত্রেন তোংহুনা ঐখোয় অহম্মক পুং তরুকমুক চঙগদবা লম্বীসিদা হরাও হরাও লাক্লম্মী। মরমদি নুমিং চুরেংনি তিরুবনন্তপুরমদা লৈরম্লগা ত্রিস্সুরদা অমুক চৎলগনি হায়বসিদনি। ত্রেন তোংলকপা মতমসি নুংথিলগী পুং অমা মথায়দনি। নুংশা য়াম্না শারি। মণিপুরদা ঈংহৌরিবতুগা কেরলাদা শারম্লিবসিগা ! ঐখোয়না অঙাং ওইরিবৈদা ত্রম্নকপা জিওগ্রাফিগী পারাশিংতু নীংশীংলকই। মতমতুদদি থাজরমদে। করম্না হরা নুংশিৎ অইং অশা খেন্নগাদৌরিবানা ? চপ মান্নফম থোক্রা ? হৌজিক্তা খল্লকই -"অঙাং রাখল হায়বসি য়াম্না নোকনীংবজাৎনি "

য়াম্না শাবতুদা ত্রেন মন্নুংদা নিংথি নুংঙাইনা ফমবা ঙমদে। ঐনা ফম্লিবা সিত্তুগী নাকল্লোমদা চটী ৫০/২: রোম শুরবা অহল

অমা ওমাং জিবি গিরি থারতুনা ফম্‌ল উই। ঙাইহাক লৈতুনা মাগী কমালতুনা লৈথোকই। কমালদুস্তু পুগচোং চোংপা টই। মহাক য়েংবদা য়াম্না মগুন লৈ। মী মাল্লি। নাতোন ওমাংগী কোই অমসুং মাগী কোক্কা শম অয়াম্বা ঙৌরে। কিরিগুম্বা মীকুপ্পুস্তু ঐঙোন্দা ফল্লপ য়েংলকই ইথন্তা খল্লি - "কনানোনে মসিবো ?" মহাক্না কম্লিবা মফম অতুগী নাকা লিক্লি অমস্তু য়াগ্লি। অয়াম্বা মংমদা মহু লৌবগা পিং পিং থকই। চুরুপস্তু পংথক্লা থকই। মহাক্কী মথৌ য়েংবদা শাবরা মুংশাগী মৈশা কাউথ্রে। থাইবোমচা অমস্তুং বিবেন্দি শামন্দুনা থোঙ মনাক্তা নুংশিং চাবি। ঐ অমসুং মাগদনি লৈহৌরিবসি ফমতুনা। ঙাইহাক লৈবগা ঐঙোন্দা তপ্লপা হংলকই - ঈশিং য়াওবিরিব্রা

- ঙাকপীগনি য়াওজরে

কশিস্তু কায়দে হায়তুনা মঙক নোম্নকই। ঐহাক খংনুং নুং-ঙাইরবা অমা ফাওবকই। ঐখোয়না চংপা খুদিংমক্তা ঈশিং পুত্থনা চংপনি। অতুন থক্লিংনবা মীশক অমনা ঈশিং নিবকপদা পিবা ঙমদবসিদা ইশা ইথন্তা পংশাউদা শাউনীংলকখি। মতুংদা মচা অমা য়ৌরকুনা ত্রেন হেক খাস্বগা মহাক্না লেপথংলতুনা হায়রকই - "ঐহাক ঈশিং থিবা চংলুখিগে। ঐগী পোংচৈশিং অসি ঙহাক্তা য়েংশিনবীবস্তু।" ঐহাক ইথন্তা ঙকখি। মহাক পাক হল্লক্লবতুদা অমুক থাইবোমচাগী মরীমচা ঈশিংতু নীশীংলকখি। ত্রেন্না লেংবা হৌবকপদা মহাক চঙলকপা উই ঐঙোন্দা য়েংলতুনা নোল্লগা হায়রকই- 'থাগৎচরি।' মহাক্কী মায়থোংদা মংন্তা থোরক্লিবা ওমাংদি তৌজিকস্তু লেপত্রি। মহাক্না পুরকপা লিক্লি অতুস্তু চুপ্পা তোক্লি। ঙৈহাক লৈরগদি ভাব তারক্লে মহু য়ুনি হায়বা। থোঙনাওদগী ওমজিল্লকপা নুংশিংনা মাগী ঙৌবা শম-শিংতু চাইথোরকপদা মখুংনা হেক হেক শেমজিল্লি। কমালতুনা

লমাংশিংতু লেপ্পা লৈতনা নৈংথোকলি। ঐন তপ্পা হংখি

- ইয়াম্বা কদায় চৎপদোইনো

- ত্রিস্তুবদা

মপা তানদে। পন্তুংফম ফাওবদি ম মনে খঙনদা থংমুং মুংঙাইবা ফাওই। ত্রিস্তবগী মনমদা মঙোন্দগী থবদি খঙলগনি হায়বসিদনি ঐঙোন্দা তেম্মা মুংঙ ইবিবসি। মুমিদা নাই ম ওই-বরুম্নগনি থম্লি। ঈশিং পাং লপীমচাশিং মথং মথং উপাক্রে। চিলড্রেন পার্কনা শান্নবন্দা অঙাংশিং মথুমগীদমক চেক্লোরকপা ত্রবে। লৈবক লৈপক্কী কৈথেল মচা মচাশিং মৈ থানগৎনবাক্রে।

"ইয়াম্বা ত্রিস্তুব হেক যৌবগা খবা হায়নিবকউকো" ঐনা মনাক্তা চঙশিন্দুনা ফম্নগা হাযবনি। থোঙনাও মনাক্তা ইবানি নুংশিংকা কল্লবা শভম অমস্তং ত্রেন চেনবগী গক গক লাউবা মখোলগী মবক্তা মায়গা মায়গা ওনশিন্নতুনা ফম্মিন্নে। মহাক্কী মীৎয়েংতু নুংশি। বো বো লাংবা মখোলতুনা ত্রেন চেনবগী খোঞ্জেলবু নমথায়বগা হায়বকই

- নঙস্ত ত্রিস্তবদবা

—মানি

—কবি থবক্কীনো

—কেরলা সাহিত্য একাদেমীদা চৎকে তৌবনি

- কবি মরমগী

—সেন্ট্রল সাহিত্য একাদেমীনা ঐখোয়দা ত্রাভেল গ্রান্ট পীবকই। মখোয়না চৎলুচো হায়বতুদা লাকপনি।

—নখোয় অইবরা ?

-মানি ঐখোয় অতম্মক অইবনি (খুদোম্বী থিন্দুনা তাকই)। মলয়ালম অইবা কয়াস্ত উনবম্নে। একাদেমীদস্ত চঙলমগে লাকপম্নি।

- অইবা কন। কনাদি নেরক্লে।

—কবি কুবপ, পানিকর, জর্জ্জনচিংবা

কুরূপ নেনবকপ্রা। মাদি ঐগী মরূপনিনে। কমদৌই মাদি উনবকই। মহাক য়াম্না ফে

ঐস্তু অইবনি। রাবী মচা ইবা। হৌজিক কাওবদা রাবী মচা ৭ হেন্না ইখ্রে। জবনেল মেগাজিন্নচিংবদা লোইনা ফে ঙাখ্রে। লাইবিক ওইনদি ফোঙড্রি। মবমদি ঐহাক লাইববা মচানি।

অইবা কয়া চনবা লাকপগী খোঙচংনিদা ইথঙ খঙহৌদনা এন মন্থ দা অইবা অমা থেংনবদা ঐখোয়গী খোঙচংসিগী মায় পাকপা অমস্তু ওইবে নখি। মহাক্না ঐগী মবমদস্তু যাম্না কুপ্না হংলকখি। ঐবেংগী লাইবিক অত্তম পুখোকখ্রে হায়বদা মহাক ঙকখি। ঐগী মিং ওবেগনাইজেসনশিদা তৌবিবা থবক কয়া মথং মথং মঙোন্দা হায়ববা তংদা ঐগী লেঞমদা নাএত্তুনা হায়বকই "শবত, ঐহাক্তি জবনেলিষ্ট অমা ওইনা চহী ১৮ হেন্না থবক তৌবক্লবনি। মদ্রাজদা লৈবা য এন আইদা চিফ রিপোর্টর ওইনা লৈবম্নবগী তুংদা ত্রিসুরদা ফে ওবা মলয়ালমগী ন্যুজগী চেফোঙ এক্সপ্রেসকী স্পেসিয়েল কো-রেসপোন্দেন্ট ওইনা থবক তৌরি। মসিদগী ফংবা তনব খবত্তুনা ঐগী হমু থাক্লি। ইচা অনীনক্তুনি। ইচানুপী অহলনা মদ্রাজ য়ুনিভরসিটিদা এম এস সি লৌখি ইচান্নুপা মন্ত জোসেফনা বি এ লৌখি। ইচাগুপাস্তু কবিনি। ইংলিশতা শৈরেং য়াম্না ই। ফেঙ-ননবা তৌবি।"

মহাক্না মমি লোনেফ মদপল্লি কৌই হায়না শক্তাকচবকপা মীকপ্পুদা ঐনা হবাওনা কৌজখি 'এদব জোসেফ।' মহাক্কী মবমদা মথং মথং হায়বকখি "ঐহাকস্তু শিন য়াম্না যাম্না মশক অমনি। ঐহাক্না ইবা মলয়ালম ফিলম ১১ হেম্না পুথোকখ্রে। ১৯৮৮ দা ইশামক্না ইবা অমদি দিরেকসন পীবা মলয়ালম ফিলম 'ওনাবম'

(ফেস্টুন) অসি তিববনন্তপুরমদা পাঙথোকখিবা ইন্টবনেসনেল ফিলম ফেষ্টিবেলগী ইন্দিয়ান পনোরমা সেক্সন্দা খন্দুনা উংখি। কেবলাগী কোতায়াম দিস্ত্রিক্তা লৈবা মদপনি কৌবা শুঙ্গং অমদা ১৯৪২ দা পোক্লবস্থ হৌজিক হৌজিকতি মদ্রাজ্জর্গ' অন্দব ? নগবদা যুম অমা ভারা লৌদুনা লৈবি।"

মহাক্কী রাবী মযামসি ঐঙোন্দা নুংঙাইনা থোক্লম্মী। ঐনা অমুক হংখি হৌজিক্তি ত্রিস্তবদা কবিগী চৎপিবিবানো ?

একাপ্রোক্কী এদিটব অমুও ানাগে লাকপনি

- ঐস্থ জবনেলিজম হাযবসি য়াম্না পামজৈ। হৌজিক হৌদিক্তি স্পোর্টস জবনেলিজমদা চঙশিনি। পারফম কৌবা মৈতৈলোনগী নুভিগী ফোঙবা পাচে অমদা বদিঙদা, তিভিদা শান্নবুগী পামদম হেক হেকপী। পদবগী খববগী ওফিসতা ঐবুস্ত হযে, পুবিযু

সোইদনা পুগনি। কেবনা সাহিত্য একাদেমী চৎনবগী থৌবাংস্থ ঐনা শীনগনি।

ত্রিস্তুব য়োরে কুমলসি হাযবকপদা ঐখোয় অমমগা মহাক্কা কুমথরক্লে ত্রেন্দগী। মাগী মতুং ইনকউ হাযদুনা এখোয় অমম মতুং ইল্লি। পার্কিংদগী তেক্সি অমা কাবগা পিস্তবগী মফম খবদা নুমিদা লেক্লনবা হোটেল থিবা চৎমিন্নবে। হোটেল অমা হেক চবগা মহাক্কা চেনশিন্দুনা অগাবা কা লৈব্রা হংই। রা অমগা ডাংলদনা ঐখোয অহম তেক্সি তোংদুনা লাকপগী অচিকপা অতু খুগাইবগা লাইবোন-চানা হায়বকই - শবৎচান্দ নঙনা তৌবিবসি কবিনো ?

- ঐনা কৈদৌবগে

অহাংনিদা মুকখঙ খঙনদ্রিবা নী অমগী মতুং ইনবসি অফবা নত্তে। হোয় জোসেফপুদি অফবা মা মাল্লি। মা অচৌদদি পঙথা থাজকগন্নু। নঙগী তেবিং অসি ফাবত্ত। মা খুদিংমক

অফবনি খনবদি লাল্লি।

- চুপ্পি তাইবোমচা। ঐস্নু মহাকপু মুন্না খঙনবা হোৎন-রিবনি। খঙদে তাইবোমচা, ঐগী পুল্লিদদি অসুম্না অহানবা থেংনখিবা মীশক ঙাক্তনি শকখঙনরিবা তিন্নরিবা লোইন-রিবা। লোইনমকসু ফরম্মি।

হোটেল অমদি অহাঙবা কা লৈরে ঐখোয় অহুম লৈবা য়ারনি হায়না জোসেফনা হায়রকপদা ঐখোয় তেক্সিদগী কুমথরে। মহাকসু হোটেল অমা থিবগা লৈরুরগে হয়েং অয়ুক পুং তরাদা উন্নসি হায়রম্লগা তেক্সি অত্থ তোংতুনা চংখ্রে। জোসেফকী মরমদা খনবদা অহীং অত্থ হৌখিবা খঙহৌদে।

অয়ুক পুং তবা মখায়বোম তাবদা জোসেফ হোবে হোবে লাকই। মহাক্কী খবরগী ওফিসতা মাবু ঙাইরে হায়বগী পাউ তম্মি। মদ্রাজদা অমুক চংখিনবগী ট্রেন টিকেৎ কক্লিবা মরম্মা তাইবোমচা অমসুং বিবেন্না ট্রেন ষ্টেসন্দা টিকেৎ ককপা চংপা অত্থগা জোসেফ অমসুং ঐগনা এক্সপ্রেস ওফিসতা চংপা হায়না য়ানরে। টিকেৎ ককপা লোইরগা এক্সপ্রেসকী ওফিসতা উনসি হায়বম্লগা ঐদি জোসেফকা লোয়ননা ওতোরিক্সো তোংতুনা চংলে। চাউই খবরগী ওফিসতু। মণিপুব সরকারগী অচৌবা ওফিস অমদগী হেল্লি হায়বা য়াই। তোঙান তোঙানবা সেকসনশিংদা লৈরিবা মী পুন্নমক মমায় হায়গৎনদে। মাগী মাগী মথৌদা প্ক্রিং লুপশিন্নে। ঐনা এদিটরগী কা য়োৌনা চঙবদা ঐগী খোংউপকী মখোল থোবকপদা ইশা ইথস্তা ইকায়বা ফাওখি। জোসেফনা লমজিংতুনা ফাষ্ট ক্রোবদা কাখৎলগা এক্সপ্রেসর্কা এদিটব ইনচাজ শ্রীপি, শ্রীধরনদা ঐবু শকতাকই। খূং শোক্লে। ঐবু তবাম তরাম থৌবা চাংকুপ, অমা পীথক্রবা মতুংদা। করি মচেং পাংজোৌবা হায়না শ্রীধবন্না হংলকখি। ঐনা হায়দ্রিঙৈদা ঐগী খোঙচংশিংগী মরম পুন্নমক জোসেফনা মঙোন্দা তমখি। খুদক্তা শ্রীধরন্না কেরল্লা সাহিত্য একাদেমীদা টেলিফোন

তৌদুনা ঐখোয় অহুম লাক্কনি নীংথিনা খেঙ্ক্পীয়ু হায়না খঙহনখি। চে অমসু ইদুনা পীরকখি। মথাদা বুমথবরুগা মখোয় অনী লাকপা ঙাই। ঙাইহাক ঙাইরবা তুংদা লাক্রে। ঐনা গ্রুপ ফোটো অমা এদিটরগা পুন্না নম্বা পাম্বদগী তাইবোমচাদগী অয়াবা লৌবগা মথক্তা কাখৎলি। হবাও হরাও য়ারকই। প্রেসকী অমা লৌহৌগে হায়দুনা প্রেসকী ফোটোগ্রাফর অমা কৌখৎলি। ঐখোয় পুল্লপ লেপমিন্নদুনা ফোটো থরা নম্লবা তুংদা শ্রীধবন্না হায়রকই ' ঐগী রিপোর্টর অমা পীগে ইন্টরভিউ অমত্তং পাম্মী।" স্তাফ রিপোর্টর অমা কৌথোক্লগা ঐখোয়গা চঙমিন্নখিনবা হায়রকই। চীংলেম্মী রিপোর্টর অদু। য়াম্নসু স্মার্ট ওই। মাগী কাদা চঙলে। মহাক্কী মমিং ভি এম রাধাকৃষ্ণন কৌই হায়না মশানা হান্না শকতাকচৈ। ঐখোয়সু শকতাক্লে। মণিপুরী সাহিত্যগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না হংলকই। হৌজিক কাওবসিদা নৈরিবা থাক অসিগী মতাংদা নিংথিনা খুম্লবা তুংদা ঐনা তাইবোমচাসি সেন্ট্রেল সাহিত্য একাদেমী এরার্দ রিন্নরনি হায়বদা মহাক্কী মমিং অনীদুনা তাইবোমচাদা চাগদবগী মতৌশুম য়েংলকই। মথং মথং হংলকই করি লাইরিক্তনো করম্বা চহীদনো। ঐখোয়না খুম্বা পাউখুমশিংদু মাগী বাইতি পেন অদুদা নোট তৌশিল্লি। প্রেসকী ফোটোগ্রাফরদুনা তাঞ্জা য়েং য়েংদুনা ফোটো নম্মী। হয়েংগী চেকেঙদা মরিক চুন্না ফোটোগা লোয়ননা হাপ্লক্লগনি হায়রগী যাজবসু মহাক্না পীরকই। লোইশিল্লকপদা তাইবোমচানা মঙোন্দা হায় "অদোম্না কোঙবীবকপা মতমগা ঐখোয়না সেন্ট্রেল সাহিত্য একাদেমীগী ত্রাভেল গ্রান্ট পীবিবগী মতক থাগৎপা কোঙদোকলি অদুগা কেবলাগী মায়ামবসু ঐখোয়গু তরাম্না পৌবীবগীদমক ঙমখৈ লেপনা থাগৎচরি হায়না রারোল অমত্তং হাপচিনবায়ু।" মোইদনা হাপচগে হায়দুনা মহাক্না লেপখৎলদুনা খুং শোকপা হৌরকই। নাকন্দা ফাম্লবা নহা অদুসু

শকতাক্লবদগী মহাক্কী মম্মিং বাণ্রেলপায়া কৌই কবিনি হায়বস্সু খঙলে। মহাক এক্সপ্রেসকী রিপোর্টর অমা ওইনা থবক তৌরি হায়। মহাকীস্সু শৈরেং লাইরিক্ক অহুম ফোঙগ্লে হায়। চৎমিন্ন-রিবা ঐখোয় অহুমস্সু লাইরিক অহুম অহুম ফোঙনরবা অমস্সুং মাগীসু অহুম ফাঙলে হায়বত্মুদা ঐখোয় মরিমক চপ মান্নরম্বত্মুদা ৱা লাউনা নোকমিন্নখি।

মলয়ালম অইবশিংগ শোগৎপা অমদি য়োকখৎপা ওইনা নোংমাইজিং খুদিংগী এক্সপ্রেস মেগাজিন্দা শৈরেং ৱারেং ফোঙই হায়না শ্রীধরন্না হায়। বিরেন অমস্সুং ঐগী ইংলিসতা হন্দোক্লবা শৈরেং খরস্সু ফোঙদৗয়ু হায়না পীবদা মহাক্না হরাও হরাওনা লৌ-হৌখি। মলয়ালম লেন্দা হন্দোক্লগা ফোঙগনি হায়হৌই।

চাক লামশিল্লক্লুনা হোটেল অমদা চঙলগা চাক খরা চারগা ওতোরিক্সো তোংতুনা কেরলা সাহিত্য একাদেমীদা চৎলে। শ্রীধরন্না ইরকপা চে অতু মেনেজর শ্রীমতী পি, লিলাদা পীবদা ঙসাই এদি-টরনা টেলিফোন তৌরকখিবতু নত্রা হায়না হংলকখি। ঐখোয়নস্সু মানি হায়বত্মুদা হরাও হরাও তৌবিরে। লাইব্রেরিয়ান জয়াক্লকুন্দা শিন্নতুনা একাদেমীগী মনুং মপান পুন্নমক য়েংহল্লি। উন্ননিংবা সেক্রেটরী পায়িপ্রাদি ছুটি লৌখি হায়তুনা উনরক্তে। একাদেমীগী বুক স্তোলদা চঙতুনা লাইরিক কয়াস্সু লৈরকখি। গ্রুপ ফোটো অমা নমমিন্নববা মতুংদা ঐখোয়না লৈরিবা হোটেলতু তম্না ওতো-রিক্সো অমদা অমুক হল্লকখি। ওতোরিক্সো মনুংদা ফন্না ফন্না মওন মওন খল্লকখি – "মীগীদি সাহিত্য চাওখৎনবগীদমক তোঙানবা সাহিত্য একাদেমী লিংতুনা হোৎনরি। কেরলা সরকারনা চহী খুদিংগী শেল চাউনা চাউনা থাদরি। সাহিত্যগী ওইবা হরা মুংশিং অমা ফংহন্নবা হোৎনরি। অচৌবা মীফম কয়া পাঙথোকপা য়ানবা ওদিতোরিয়মস্সু থম্মরি। শরুাইরবা অইবশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎপা

ওইনা মখোয়গী ফোটো কয়াস্তু ওদিতোরিয়ম মন্নুংগী অকোয়বদা থেংলি। চহী খুদিংগী চাউনা কেরলা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ পীতুনা অইবশিংবু পুক্নিং থৌগৎপগী থবকস্তু চথরি। মণিপুরগীদি তোঙানবা সাহিত্যগী ওইবা একাদেমী অমস্তু লৈজদে। মণিপুর স্তেত কলা একাদেমী হায়বা অমা লৈরিবা অসিস্তু জগোইগী ঈশৈগী থিয়েটরগী ড্রামাগী লিলাগী লাইয়েকপগী সাহিত্যগী ইপূন পূনশিন্নে। মসিদবু মণিপুরী সাহিত্য চাওখৎপা ঙম্লকখিগদ্রা ?"

হোরেন নুমিদাংৱাইরমদি মদ্রাজ চৎলগনি হায়রবতুদা পোং চৈ লোইশিন্নবা ঐখোয়না লৈরিবা হোটেলতুদা পরপ পরপ চঙলকই ওতোরিক্সোদগী হেক কুমথবগা। য়াম্নস্তু ৱাবা য়াম্নস্তু নুংঙাইবা নুমিংনি ফেব্রুৱারী ১৫ সি। ফমুংদা থমথতুনা পোং চৈ ময়ামতু লোইশিনবা হোৎনরিঙৈদা হোটেল বোই অমা চঙলকুনা চৈ মচেং অমা ঐঙোন্দা পীরৈ। হাংদোক্লুনা য়েংবদা ইবমই

শরত,

কুইনা ঙাইরম্বনি। উনদনা হায়রে। হেক হল্লকপগা ঐনা লৈরিবা হোটেলদা অমুক্তা লাকপীয়ু। করিগুম্বা খরা হায়নিংই।

জোসেফ

১৫।১।৭৪

জোসেফনা ঐবু ঙাইরম্মী হায়বসি চিঠিসিদগী খঙই। চিঠিগী মরোল তাইবোমচা অমস্তুং বিরেন্দা খঙহনবদা তাইবোমচানা নোক্লুনা হায়রকই -- ' চৎলুরোদনা নঙগী জোসেফকী মনাক্তা"

—চৎলোই কৈদৌবৈ চত্তোইবা

—চিঠিতু নঙোন্দা ইরম্বনি। অমুক্তুংদি উনরম্মুদনা

ঐগী ফিরোলশিংতু য়োমশিনবা লোইরবা তুংদা মগাক্তা লৈরিবা হোটেলতু তম্না পরপ পরপ চৎলি। বিরেন্নদি কুইরকনু চৎকদবা মতম কুইদ্রবনি হায়হৌরিবনি। মহাক্কী কা অতু হেক য়োবদা ফমুংদা

ফম্লহ্নদগী ফুক গৌগত্তুনা ঐঙোন্দা চেংনা কোল্লকখি। মহাক্কী মমিত্তা মপি শিন্থরমগদবা মাল্লি। ঐস্থু নুংশিনা ব্রদর হায়বদগী হেন্না করিস্থু হায়খিদে। ঐগী ইমংদা চপ লেপ্লহুনা মহাক্কা হায়রকই

—শরৎ, ঐনা নঙ্গু য়াম্না নুংশি। ঐগী ইচাস্থু কনিনি। নঙস্থু কনিনি।

—ব্রদর, ঐস্থু ব্রদরব য়াম্না নুংশিজে। ঐগী পুন্সিদা ব্রদরবু থুককাউ কাউজরোই

—ইমুং মপুংদি করম হৌই। ইচিন ইনাও কয়ানো

—ইমা বাবা লোইনমক লৈরি। ইচিন ইনাও তরুক্নি। ঐনা অহল। পাখং ওইরি। সরকারগী দিপার্টমেন্ট অমদা হৌজিক হৌজিক জুনিয়র ইঞ্জিনিয়র অমা ওইনা থবক হৌরি। ফংলিবা তলব খরসিনা ঐখোয় পুন্না হিংমিন্নরি।

—শরৎ, ডরাং করিগী ঐঙোন্দদি থবক হৌবে হায়দ্রিবা। ঐদি অস্থম রাইটর অমা ওইনা, সোসিয়েল ৱার্কর অমা ওইনা, জরনেলিষ্ট অমা ওইনা উই। ফরে হোংনবা লেপকন্নু। হোৎনবগী মহৈ শোয়দনা ফংলকখিগনি।

মহাক্কী জবো জবো লাউরবা মখুত্তু হিংথোরকই। ঐগী খুৎ অনীমক্কা মহাক্কী মখুত্তু চেজেৎ পায়শিল্লি। খুইথরক্লবা মীংপান অনীগী কাবক্তা চেন্থরকপা পিরিক খরা উরকই। ঐগী থম্মোয় শোন্থরকই।

— ব্রদর ঐ অমুক চৎলগে। ঐহাক চিঠি ইরক্কনি। করিগুম্বা ইম্ফালদা লাক্লবদি ঐগী য়ুমদা সোইদনা চঙবীরকউ।

— গুৱাহাটি ফাওবদি লাক্লস্লে। ইম্ফাল অমুক্তং য়ৌগে খল্লি। লাক্লবদি নঙগী নাক্তা সোইদনা চঙলক্কনি।

—নুমিৎতু ঙাইবা তারেদনা!

চৎলগে হায়রিবনা খোঙ হেক থাংদোবকপগা মহাক্না অমুক মখুৎ তিংথোবক্তুনা খামই। ঙাইওমদনা হংলকই

— ঙসিগী এক্সপ্রেসকী খোঙচৎ বমদোই? একাদেমীগীদি?
য়াম্না নুংঙাই। ইন্সটিটিউসন্ ফজনা খুল্লম্বনি। হয়েংগী চেফোঙদা ফজনা যাংথবক্লগনি হায়রগৌই। একাদেমীদসু ঐখোয়বু হবাং হবাংনা তৌবীবকই। তংশংনা হায়রবদা কেপলাইট পুন্নমক অফবা মীওই ঙাক্তনি। কেবলদা লাকপদগী ইন্দকী খোঙচৎ অসিসু মায় পাকপনি।

—হোই! মী মীগী ওইবা

- অশেংবনি ত্রদব

— মী অয়াম্বনবুদি হাযনৈ। ঐসু নঙগী রাফমসিদা যাবা তাবনি। নত্রনে

— য়াফম থোকপদো! এদিটরদদি ত্রদরনা করি কবি হায়বিরম্মী

—ঐনা এদিটরদদি নখোয়গী মরমদা ফজনা হায়বম্লবনি।

— থাগৎচরি ত্রদর। ত্রদরগী তুংগী লম্বীদম্সু অফনা মায পাকপা কয়া ঈশ্বরনা পীবিবা ওইসনু।

খূং হাইরম্লগা মঙোন্দগী লাপথোবকই। চেন্না চেন্না লাকপনা ঐখোয়না নৈরিবা হোটেল অদু য়োৌখিবা থঙহৌদে। মহাক্না কায়নরগনি খনবদা নুংঙাইখিদে। ট্রেন মপুংদা উখিবা মহাক্না মতৌশিংদু মথং মথং নীংশীংলকই। স্তেসন চৎকদবা ঙাইহাক রাংলিমাল্লে খন্দুনা ফমুংদা হিপথৈ।

—চুরূপ থকপ্রা

-- থক্তে

— য়ুদি

-- থক্তে

-- ঐগী য়ুনম অমগুং চুরূপকী মৈথুসি নওদি হৈনরম্লরোই।

--করিস্থু কায়দেদা ত্রদর। অত্থুম হৈনরে হায়বা তাই।

"শরতচান্দ, শরতচান্দ, হৌগংলা চৎলসি পুং তারক্লে" বিরেন্না ঐগী হকচাংদা নোমত্থুনা লৈরম্মী। মও মতেক অমা মওলুরে হায়বসি বিরেন্না হৌদোরকপা মতমদতা খঙলকই। ঐখোয়গী পোৎ চৈশিংত্থু পায়ত্থুনা মথং মথং থোরক্লে ট্রেন স্তেসন তম্না।

লোল

—শরৎচান্দ লাইনিংথৌ, তেক্তু কায়দনা য়োনবা তেক্তু কায়দনা হল্লকপা

—করম্বা লাইনো

- নঙগী ঈশ্বরদো

লাই থাজবা মীশক্তি হায়বসি খঙবদগী থাইবোমচানা ঐঙোন্দা ফাগী হেক হেক তৌই। নঙগী ঈশ্বর নঙগী ঈশ্বর হায়দুনা হেক হেকস্তু লক্লে। তাইবোমচাদি সাইন্সকী মীনি। মরম অসিনা লাই লৈ হায়বগী প্রমান পীবা ঙমদ্রবদি থাজবোই হায়দুনা তুমিন্না লৈথোকখি অকনবা মবৈ কয়া য়েংনববস্তু। ঈশ্বর অমা লৈ হায়বসি ঐদি থাজরুবনা মীকুপ খুদিংগী নীংশীংই। ইথন্তনস্তু খঞ্জে "মহাক্না ঐন্দ্র ঙাকপী শেনবীরি। পুবিবি।"

লুংঙাইত্রো

-ম্নুংঙাইয়ে

নঙদি কদাইদনো

ঐ শ্বাই লাওখি। অম্বুক শাংনা লাকপসিদা ঐখোয় অতুম নত্তুনা কনাগুম্বা অমত্তগুম্ব মৈতৈলোন্না রারী শান্নখিত্রবনি। ফেব্রু রারী ১৬, য়ুমশাকৈশা ম্নুমিংকী ম্নুংথিল পুং অহুমলোম তারকপদনি ঐনা ল্যাভাটোরিদা মায়মিং তাবা চঙবদা কেরলাইত অমথক্না মৈতৈলোন্দা রা ঙাঙলকখিবসি। ঐহাক পাখংপোয় করিবোই পরপ পরপ চেম্বোরক্লগা তাইবোমচাদা তমখি

—তাইবোমচা, তাইবোমচানা লাই নিংঙ্, হায়বদগী ঐগী ঈশ্বরদো ফংলে

--হা! নঙগী ভগবান ফংলবা! কদাইদা?

অঙকপা রারী মতেক্তু তাইবোমচাদা শিং নাপ্না তমথোকলে। ম্নুপাহুম্ব মাগী ফমফমলোমদা পরপ পরপ চংখিবা উই। মহাক কুচু মুই। মমীং তোঙই। মশম তেন্না ককই। চহী ৫১/৫২ মুক শুবমগদবা মাল্লি। ফুট মঙা মথায়রোমদি রাংলমগনি। তামিল-নাডুগী ঙমখৈ লোইখিত্তুনা কেরলাগী ঙমখৈদা চংশিল্লকপা মতমদনি থেংনরিবসিম্ব। কেরলাগী মরমদা পুন্নমক হংহৌরসি হায়ত্তুনা তাইবোমচানা হায়বদগী মহাকপু ঐখোয়গী নাক্তা লাকপীনবা ঐনা হায়জখি। নোক্লত্তুনা চঙলকই। মহাক্তি গুরাহাটিদগী অত্তুম্মক ঐখোয়গা কোচ অমত্তদা পুন্না তোংমিন্নরক্লবা মীওইনি। মহাক্না ঐখোয়গী শক চু ফিভম অসিদা অতোপ্পা নৈবাক্কী মী ওইরমগত্রা খন্দুনা কৌখিদবনি হায়। ঐখোয় অত্তুম পুন্না মৈতৈলোন্দা রারী শানবা কয়াসি মুন্না তাশিল্লবা মতুংদা মৈতৈনি হায়বসি কোম্বুংদা খঙলকখিবনি হায়নম্ব মহাক্না তম্মি।

--ইয়াম্বা, কদাই চৎপীরক্লবনো

— ঐ যুমদা লাকপনি। কনম্ লমদা। মনিপুরদগী লাকপা

— মনিপুরদদি করি তৌই

- ঐহাক আসাম বাইফলসকী হাবি দাব ওইরি। মনিপুরদা পোষ্টিং তাই। ছুটি লৌবগা যুমদা লাকপনি। চহীনিগী সেপ্তেম্বরদা ঐগী থবক লোইরে। পোৎখাদগনি।

—কযাম কুইরে মনিপুরদা লৈরা

কুইরে। চহী কুন হেল্লে। কংলাদসু লৈরম্মী। ইম্ফালগী মী হাযাম্বা ঐগা খঙনৈ। লমফেলগী নাগ মপালগী মী অযাম্বা খঙনৈ। মখোযনা ঐঙোন্দা তাম্বা। তামুবা রৌই।

— তামুবগী মিং

পি কে ববি

মবোল খোইরপ খোইরপ ঙাঙবসু তাবদা সুংঙাই। নোক্কতুনা তাইবোমচানা মঙোন্দা হংই-- কেবলানিদি কমদৌই ?

— য়াম্না শাই। মনিপুরগা যাম্না খেন্নে।

— চাবা থকপদি। লৈফমগীদি

— চাবা হোঙঙে। যুবি থাউ লোইনা শাজিন্নে। অশীনবসু য়াওই। লৈফমগীদি যাম্না হোঙঙে। অতুম নুংঙাইনি।

য়া য়া লাওলতুনা অমত্তা ওইবা খোঙবু শাবতুনা ট্রেন মনুংদা নোমহৌ নোমহৌ লাকপদগী নুমিদাংর ইবম ওইশিল্লকনো। উচেক র য়াশিনা মতুম এম্না পাইশিন্নবকপা উবক্লে। হাজিল্লকপা ঈশিংগা নুংশিংবা চীল্লোক্লবসু উবক্লে। ঘন ঘন্নপ ঘল্লুপশিংসু শঙ্গোন তম্না হাইগৎনবকপা উবে। সেন্ট্রেল সাহিত্য একাদেমীনা কেবলাগী অইবা খরা উনবনবা থানকপনি হাযবসি ঐখোযনা হায়রদগী মহাক খঙলবসু কেবলাগী অচৌবশিংগী মনাদদি মঙান্দা ফবিমত্তা খঙদবগুম তৌই।

- কযাম কুইনা কেবলাদা লৈদোইরা

- হুমিং মরিনি নত্রগা মঙানি লৈবা য়াই তারবি
— ঐগী য়ুমদা নোংমা লৈসি
— তাঞ্জা য়েংগে ঐখোয়গী থবক য়াম্মি
—থবক য়াম্লবসু য়াদে। নোংমত্তা ভইরবসু ঐগী য়ুমদা লাক্লগা লৈরমগদবনি। ঐনা সেবা তৌগদবনি। মসি ঐখোয়গী চৎনবীনি।
- তারবি। তারবিখোয়গী য়ুমগা সমুদ্রগা কয়াম লাপ্লে? খুঙ্গংগী পুন্সিসু য়েংনিংই।
— কিলোমিটর অনীমুক লাপনে। ঐনা পুম্নমক শিনগনি। ঐনা সাইকল রায়গনি। সাইকল তোংলগা চৎকনি। ঐগীদা লাক্তবা সুকয়া য়াবোই

ঐঙোন্দা চে মচেৎ অমা পীবু হায়বত্বুদা ঐগী খাওদগী লৌথোক্লগা চে মচেং অমা পী। মহাক্কী লৈফম ময়েক শেংনা ই। অত্থুগা মলয়ালম লোন্দা চিঠি অমসু শাংনা ই। চে অত্থু ঐঙোন্দা পীরক্লগা হায়— "চে অসি কয়মকুলমগী বস স্তেসন্দা লৈবা ওতো বিক্তো ড্রাইভর অমদা হেক্তা পীযু। মহাক্না সুকশোয় শোয়দনা নখোয়বু ঐগী য়ুম ফাওবা থিল্লক্কনি।" হন্দক্কী খোঙচৎ অসিদা খুঙ্গংগী পুন্সি অমস্তং ঙা ফাবশিংনা খুন্দা বিবা সমুদ্র মপানগী সংসার অমদি উবা ফংলগনি খনবদা ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওখি। পিল্লাইগী 'চেমিন'তু উবগনি খনবদসু হেম্না নুংঙাইখি। রবিনা পিবা চে অত্থু চেংনা থমজিনখি। অহৌং অত্থুদা মহাক্তি মাগী খুঙ্গংতুদা লৈহৌরে। ঐখোয়না তিরুবনন্তপুরমদা চৎলে।

রবিগী খুঙ্গংদা চৎনিংবগী লাঙতক্লবা অমনা তিরুবনন্তপুরমদা ঙাইহাক্তা ফাওবা লৈতানা কয়া ঙমখিদে। ঙৈহাক লৈতনা মহাক্না পীরম্বা চে মচেৎ অত্থু য়াওরিব্রা য়েংই। তাইবোমচানসু ফাগী তৌই "নঙগী ভগবানগী মনাক্তা শোয়দনা চৎকনি পাখৎকনু

শরৎচান্দ।" বিরেন্নসু হায়— "রবিগী মনাক্তা ঐখোয় সুকশোয় শোয়দনা চংকনি। সমুদ্র য়েংগনি। খুজংগী পুক্সিসু য়েংগনি। ঙা ফাবসু য়াওগনি।" চংতি শোয়দনা চংলগনি খনবদা নুংঙাই। অদুবু চংপগী মতমদি ইরেপ লেপ্পদবদা নুংশা হেক হেক থী চংপা ফংলরোইদ্রা হায়তুনা।

নোংমাইজিংনি। ফেব্রুয়ারীগী ১০। মশা খীংবা উচেক্কা ঐগা কনানা হেন্না মশা খীংলমগনি! কয়মকুলমগীদমক ঐখোয় অহুম বস তোংতুনা তিরুবনন্তপুরম থাদোরকপসি অয়ুক্তনি। তাইবোমচা অমসুং বিরেন্না নোকশিল্লকই -- "শরৎচান্দসি নোকএহে।" পূং অহুমগী লম্বীনি। কয়মকুলম হেক য়োবগা হোটেল অমদা চঙতুনা চাক চাথোক্লবা মতুংদা ঐনা পুবকপা রবিগী চিঠিতু অমুক ওতোরিক্সো ড্রাইভর অমদা পী। মহাক্না চিঠি অদু পারবা মতুংদা তোংখংলকও চংলসি হায়রকই। ঐখোয় অহুম রবিগী খুজং কনমপলি ভগম হন্না চংপদা তুংদা লাকপা ওতোরিক্সো অমগী মতুংদগী মী অমনা কৌরকপা খোঞ্জেল অমা তাই— "হে শরৎ!" হন্না য়েংথোকখিবদা তারবি ওইরম্মী। ঐহাক ইঙক ওকখি। মঙলা তাইবংলা থনখি। ঐগী ভগবান খুংলরে থনবদা থংলুং নুংঙাইখি। মহাক মাগী নুপীগী মপাম কুইলোন্দা থবক অমা চংলুবনি হায়। তুকান মচা অমদগী তারবিখোয়গী অঙাংশিংনা চাননবা অচাপোৎ থরা নৈরগা মহাক্কী য়ুম অম্না চৎলে। ঐখোয় অহুম লাকপতুদা মী অয়াম্বনা চেন্থোক চেম্থোক্লুনা য়েংবতু উই। উরু উরু নৈতুনা চংলবা তুংদা তারবিগী য়ুম য়োবে। পীক্লক তৌবা তারবিগী য়ুমতু ফজে। চীকই। অকোয়বদা হৌরিবা য়ুবী পাম্বী-শিংনা ফজবদা মতেং পাংলি। কোকিলশিংনা হুংশিবা সুরদা খোং-লতুনা খুজংগী মথাই হাপ্লি। তারবিগী ইচৈমা বসন্তকুমারী মচাতুপা অনিশ (১১) মচাতুপী অম্বলি (৮) না ঐখোয়বু তরাম্না ওকই।

অপ্নশ্নিনা কথকলি জগোয় অমা শাত্তুনা ঐখোয়্বু য়েংস্নখি। তাৱবিনা ইত্তেমদা ঐখোয়গীদমক চান থৱুবা খৱা শেন্নবা হায়্রবদা ঐখোয়দি চাক চান্নকলে শেন্থীৱুৱম্নু হায়ৱুবন্নু শাউরকই। নুমিদাং লেকপদা চারগে হায়ত্তুনা মাগী অশাউবত্থু ফাথৈ। ইত্মোলদা গৌরিব্বা য়ুবী পাস্থীদগী যুবী খরা হেন্নুগা ঐখোয়্বু য়ুবী মগী পেন্না পীথকই। শাববা নুংশাগা মাযোৱুবা ওন্নগনি খল্লি। নুংথিল পুং অনীরোম তারকপদা সমুদ্র য়েংবা চৎলসি হায়ত্তুনা ঐখোয় লোয়্নমক মগাক্কী থুঙ্গং ফাও ফাওত্তুনা থোরকই। য়ুম য়ুমদা শান্নরম্বা থবক স্থবন্থা লন্থীদা চৎলম্বা পূম্নমক্কা ঐখোয়বু উবদা অওকপা অমগা লোয়্ননা য়েংনৈ। মাগী মাগী থবক থাদোকুত্তুনা থওইনা, ঐখোয়না য়ুম মরক্তা ফাও ফাওত্তুনা চৎপত্তুদা মীৎকুওনা য়েংই। চৎমিন্নরিবা তার বিবু ফাত্তুনা হেক হেক ঐখোয়গী মরমদস্থু হংই। ফাও ফাওত্তুনা লাকপনা অচৌবা লন্থী অমা তারে। তারবিনা ঐখোয় অহুমগী সাইকল অমমম অমস্তুং মাগী অমস্তুং মাগী ময়াম্বগী মচা অক্লিলাস (১৭) কী সাইকল রায়ত্তুনা পুথোরকই।

ঐখোয় হরাও নুংঙাইবা অমগা লোয়্ননা হাজিল্লকপা ঈশিংনা শেম্বা পাৎ কোসিজরাসটি তন্না সাইকলনা থোত্তুনা চৎলে। কিলো-মিটর অনীবোম থোববা তুংদা কোশিজরাসটি পাৎনা ঐখোয়বু ঙাইত্তুনা লৈবম্মী। সাইকল সেদতা সাইকলশিংত্থু থমজিল্লম্নগা হি তোংত্তুনা পাৎ অসি লাম্থোক্লে। য়ুবী পাম্মীতনা পীক থনবা ইশং শংবা পদমপল্লি থুঙ্গংগী লৈমায়দা খেঙ হেক থাংবা হৌবগা নুংশাগী মৈশানা য়ৈহৎলবা হকচাংদা অইংবা অমা খংফাও ফাওরকই। খোঙনা কিলোমিটর অনীরোম চৎলবা তুংদা অর'বি-য়ান সিনা হরাও মথোই কারত্তুনা ঐখোয়বু ওক্লম্মী। ঐনা চেন-শিন্দুনা ইদোম ঙাইহাক পোথাজখি। লোইনাইদ্রবা মাগী ঈথক ইপোমগী মরক্তা রাথলগী জগোয় শাখি। তৌশিন্নবগা ঐবু

মাগী কল্লবা ঈথক অমনা মথান্নংদা পুথগে চৌখি। ঐনা চেংনা তোর্বানগী লৈঙোই মরক্তা খুৎশা ভরানা ফাহুনা খাওখি। ঙৈহাক মুক্লবহু পরমপল্লি থুঙ্গংনা উরমাল্লে। নেকুনা লৈরম্মী। ঙা ফাবশিংনা খুন্দারিবা থুঙ্গং ঐম্সু শকখঙবীধ হায়বগী মতাংগুম ঐবু খুংলাম তোইনা পরমপল্লিনা কৌরকখি। লৈরাইদগী চেনখত্তুনা ঙা ফাবা চাস্থবোম্না অচৌবা ঈন শমস্তুং হি শীতিন্নহুনা ঙা ফাবিবা মায়কৈ অদোমদা চঙশিল্লি। লাইগেনচা বিবেন ঐখোয় অহুম ঈন চিংখৎপা য়াওই। হিন্দু চোবানলোমদা ইনখৎপদা য়াওর্গাল্লি। ঙা ফাবশিংগা ঐখোয় অহুমগা অমম্তা ওইনা তিনশিন্নখি।

ঈংনা চিক্লবা পরমপল্লি থুঙ্গংগী লৈমায়দগী খোঙ থাংদোকুনা চংখিগদোবে হায়বসি খঙলমাল্লে। অরাবিয়ান সিগী ইথক হেন্না কনখৎলকখি। রাংনা কাখৎলকল্লিবা ইথকশিংনা তান্নহুনা চিংথগে খনবা মাল্লি। লাউখোংনা অমংবা নোংগী মপৈগুম ঙংহুনা লাকপহু উই। অহুবু রাংলবা পরমপল্লি থুঙ্গংগী তোর্বান্না মখোয়বু থিংহুনা থম্বীখি। ঐ খঙই মহাক মায়থিরে হায়বা। অহুবু য়েংহৌবিবা নিংঙমদবগী মীৎয়েংহুম্নদি খক ফাউবা ঙল্লোই। ঐম্নু নিংঙমদংগী চৈনা অমদি থম্মোয়সিদা পুরহুনা থাংনিংদা থাংনিংদা ইখোঙসি থাংহুনা লাকখি পরমপল্লিগী লৈমায়দা। সুবা নোম্বা কনবা লুপী কয়ানা য়ুবী মকুদগী য়ুবী থৌরী তাহুনা শেম্বা লেপ্লমদ্রি। পরম-পল্লিনা লুপীশিংদা ঐখোয়বু য়ুবী থৌরীনা পুন্দুনা থম্নবা মীৎচি খৎখিবগুম তৌখি। অহুবু লুপীশিংগী লৈতেং ওইজরিবা ইকায়থিগন-বীহুনা ঐখোয়বু পুনবদি ঙমখিদে। লেপ্তুবা হায়বসিনা ঐগী ইথৌনি হায়বসি খঙহন্নবা হোৎনরকপদা মতম্না ঐখোয়বু লুমিদাংরাইরমগী পুংফমদা পুশিনর্বারক্লম্মী। তাঙ্গা অসিদনি পরমপল্লিবু নিংঙমদনা থাদোক্লম্বা। অরাবিয়ান সিদগী হাজিল্লকপা ঈশিংনা শেমখিবা কোসিজরাসট পাৎনা অমুক শোলাহৌই— "চৎলগে চপ য়ুংনা

লেপ্লবনিনা চৎপদা মথাৱরেনে ! করিগুম্বা অমুক লাক্লবদি ঐগী নাক্তা লাকখোকে। । ঐদি লেঙদনা অম্মক লৈরমখিগনি ।”

সাইকল তোংদুনা অমুক হন্দকপদা লম্বীগী নাক য়েঙা ঐখোয়বু য়েংগদবগী চেম্পোকনরকপা লেপাত্রি। ঙুমিদাংৱাইরম ওইরকপগী পোৎ কন্না শিংনরবপা মংমতুদা পোৎ য়োনগনি কাংথোক্লুনা তুকান্দাবশিংনা ঐখোয়বু মমিৎ কুপ্তুনা য়েংনরি। শম ককফম অমদা চঙদুনা থাইবোমচানা শম ককলিঙৈদা ঐখোয়বু য়েংগদবগী ওম-শিল্লকপা মীনামতুম্বু অওকপনি। মখোয় মশেল পংঙাংদা ঙাংনৈ। করি হায়বিবনো খঙদে। লোল ফাওনদে। য়েংলিবা মীৎয়েংতুনি লোল হায়ববু।

কৈথেলদগী অহেনকপা ডা খবা নৈরবা তুংদা তারবিগী য়ুমদা হল্লে। ঙুমিদাং অতু ঙা মথেল অহুম অতৈ অতৈ অথোংবা কয়াগা লোয়নদা ইথৈমা বসন্তকুমারী অমসুং থারবিগী মতৈমা ভানুমতি অনীনা ঐখোয়দা শাজে। লোল ফাওনদে। মীৎকী ৱাহৈ ঙাক্তনি। খুৎ থোন্নতুনা ঐখোয়না নুংশিনা নমস্কার তৌই। ইথৈমা অনীসু নোক্লতুনা নমস্কার তৌবকই। লোল ফাওনদ্রবসু নুংশিনবগী মরি হায়বদু থারবিগী মমা কালিঅম্মানা নোক্লতুনা ঐখোয়গা মচাদা মচানৌনা য়েংবীথিবা মীৎয়েংতুনি। তৌবিথিবা সেবাতুনি। মমা মচাগী নুংশিনবগী মরী অমা লোল সুম-ফাও ফাওনদনা থারবিগী যমদা শাগংখি।

ঙুমিদাং অহু পাক তুম্বা য়ারমদে। ঙসিগী অহীং অসি ফজনা পোত্থারো হায়তুনা থারবিনা হায়বম্লবসু নীংথিনা পোত্থাবা য়াখিদে। থারবা কমুংদগী থাইবোমচানা মাখোক্লকপতু থাবদা শাংলিনখি। নংকন্দা য়েংথোরকপদা বিরেনপু ঙুম্মনলে। উচেক ৱায়া পুম্মনকসু তুমথনগ্রমাল্লে। পুমচিক চিকই। অরুবতু ফাওরকই ইথোমথা। মঙল মঙল খল্লকই। ঙসিসিদু মঙলা তাইবংলা। থাজসিরা

থাজরোইসিরা। চমম্নবা অসিগী মরক্তা ইখঙ খঙহৌদনা তুমথ-গ্রমাল্লে। মীৎকপ থোক্লকপদা নোংঙানগদৌরম্লে। তাইবোমচা অমস্থং বিরেন হৌদোকুনা তিরুবনন্তপুরমদা অমুক হন্নবা হায়। লোইশিল্লে। অহীং চুপ্পা অমা তুমদবমখৈ ইতৈমা অনীনা শেম্বীবা লম্বীদা চৎপদা চাখিনবা চাকয়োমদো শিন্নরকই। হন্না ওনা লৌশিল্লগা ইতৈমা অনীদা হায় - "ইতৈমা য়াম্না নুংঙাইরে। ঐখোয় অমুক চৎলগে।" ইতৈমা বসন্তকুমারীদু করিগুম্বা খন্না হায়নীংবা মাল্লি। অদুবু ইফা ফাজিল্লবা মা'গী চিনবান্দগী রাহৈ অমত্তস্থ থোরকখিদে। নোকপ ভমক নোকখি। তারবিগা অফিলাসকনা বস পার্কিং ফাওবা থিন্দোক্লবা ঐখোয় অতুমগা পুল্লপ থোরকপতু ইতৈমা অনী অমস্থং ইমা কালিঅম্মানা মুন্না য়েংতুনা লৈহৌই অহীংগী অমথা অমস্থং ঐখোয় অহমদি হৌনরগা তারবিগী যুম থাদোকুনা লাক্লে। অমুকী ঙাঙ্গানবা মশেক মঙান্না তপ্পা তপ্পা তারবিখোয়গী যুমদা অমুক চঙহৌরে।

শকখঙনবা

মুমিৎকী মঙাল্লা ফাওজিন ফাওজিন্দুনা লৈমায়দা চেন চোংহুনা শাল্লগে থনবা মঙলানশিংবু হেক হেক থুগাইরিবসি চঙুংননা হৌরিবা য়ুবী পান্থীশিংননি। শীংনরক্লিবসি কুইরক্লল্লগনি। ঐখোয়না কোবালম চৎপগী লম্বীদস্মু শীংনবসি তোক্লমক্রি।

কল্লা হৌগ্রবা ঈথক হায়বহুনি। ঐখোয় য়ৌরক্লে হায়বস্মু খঙমাল্লে। মখুৎও মশাও চোং ফন্দুনা রাংনা রাংনা চোংখত্তু্না হিগোক মচুনা হারবা অরাবিয়ান সিনা ঐখোয়বু কৌশিল্লি। হৌজিক্তি খঙলে কোবালমনা চাউথোকচরিবা পোঙজল্লিবা। লোইরোই ঙমখৎপা তোবানসিদা মীনৌ কয়াগা শকখঙনরে তিল্লরে লোয়নরে মুংশিনরে হায়বসিদনি। ঐখোয়স্মু মীনৌ অমা ওইনা কোবালম চঙলুবসি ফেব্রুৱারীগী ১৯, থাংজ মুমিত্তনি। মুমিৎনা তপ্পা তপ্পা লৈথরকপদা সমুদ্রনা য়োৎলগে হায়না ময়া কাথোরকপা

মঙমদনি মীনৌ পুম্নমক হিগোবা মচুগী ঈশিং চাইখত্তুনা শান্নখিবা।

ঈথক হৌবগী খোঞ্জেল নত্তনা করিমত্তা তাবা ফংখিদ্রে। অমুক রাংখৎ অমুক নেমথ তৌদুনা মরী মরী চেনখৎলকই লৈরায় তন্না। য়েংবগী পেনবা নাইদবা শত্তমনি। সমুদ্র। করিনো খনখি অঙাং ওইরিঙৈদা।

—"লাওনহে। সুম লেপ্পুনা লৈরন্নুনে।" বিরেন্না ঐগী খূৎ পায়দুনা চিংই। লৈবায়দা রাংনা কাখৎলকলিবা ঈথকশিংগা চেনখৎ চেনথ শানৈ। ঈথক্না নুংঙাইনা শান্নবদা ঐখোয়সু য়াওশিল্লে। সমুদ্রগী ফজবা উবদা ঙাওবোইদবা কনাবু লৈগদগে? অমুকসু কোবালমবু থাদোক্তুনা খুদক্তা হন্নিংবা মীওই কনাবু লাকখিগদগে? তাইবং শেম্বা মপুনদি কোবালমদা ফজবগী য়েন্দাই খিন্দুনা থম্বিরম্লে। ফজবা থিরকপশিং পুন্নমক্তি শকখঙনহল্লে কোবালমদা অমগা অমগা। অদুবু শোইদনদি হায়গনি তাইবং শেম্বা মপুনা করিগীদমক মীচং মীথায় নাইরিবা?

অচৌ অচৌবা নুংজাও মরক্তসু চেনশিল্লকপা লেপ্পে ঈথক্না। কান কান্দুনা চোং চোংদুনা ঈথক্না লেপ্পুনা থেংনবদগী ফনা য়াম্না চোংলে ঐখোয়গী হকচাং। তাইবোমচানা হি তোংদুনা কোয়রকসি হায়বসু ঐনা পামদবদগী কোয়খিদ্রে। ঈথক্কী ফজবা মওং অমা হেক উবগা ফোটো নমগদবগী তোংনবদা মথৌ অমা ওইরি খিবন্দি। ঐখোয় অহুম চৎমিন্নরবসু রাখল তিন্নকদবনিনা মানা মানা থোকপা পঙচৎ তা চৎনখি। ইথম্ভা নোক্লিংখি – "ঐখোয় অহুম রাখল তিন্ননা লাক্লগা কোবালমনা অমুক তোখায় তোখায়-হনবীরে।"

লেপ্পা লৈতে মীনৌ মথং মথং থোমজিল্লকপা। ঈথকসু লেপ্পে। সমুদ্র তোর্বানসিদদি নুমিংকী মঙানসু মনিং তম্না শান্নরি। অফা অপুন্নবা য়াওদ্রবা মীনৌশিংনা অফা অপুন্নবা য়াওদ্রবা নুমিংকী

মঙান অমসুং হিগোক মচুগী ঈশিংদা ইরোইহুনা শান্নরি। স্কুলগী কলেজগী অঙাং:মন্নামসু বস তোংহুনা কোবালম য়েংবা লেপ্তুনা লাক্লি পুল্লপ পুল্লপ য়াওগী শঙ্ক,গুম মনিং তম্না সমুদ্রনা শান্নরিবসি য়েংলি। ছাত্র-ছাত্রিশিং চেন্দোকখিদনবা চৈ পায়হুনা ওজাশিংনা চেকশিন্না ঙাক্লি। লঙজরুবা পাপ কোক্লনবা মাল্লি অহল খরনা রাংনা কাখৎলকপা ঈথক্কী ঈশিংবু লৌহুনা মকোক্তা খিকথখিবা।

হঙ্গৎ হন্দা চৎপদা ৱাবমাল্লে তাইবোমচা। চোৎলি চোৎলি তৌহুনা লৈঙোই মথক্তা ফমহুনা লৈবহু উই।

—কৈদৌবে তাইবোমচা

- কৈস্সু তৌদে।

—কৈস্সু তৌদ্রগা তুমিন্না করিগী ফমহুনা লৈরিবা

— ফজদ্রে সমুদ্রসে

— ফজদে হায়খ্রবো

নুমিৎসু লৈথবক্লে। সমুদ্রগী মখয়াংস্সু লাওথোবক্লে। ফোটো নম্বদা চোকথরমাল্লে বিবেনসু। নৌনা থেংনবা নৌনা শকখঙনবা কয়াগা ফোটো নমমিন্নবদা। হঙ্গৎ হন্দা কাংলম চেল্লিবা ঐহু ফাগী ফাগীদগী হকচাংসি ফনা য়াম্না চোৎখ্রে। ঐখোয় অক্তম চুংশিন্নহুনা লৈথরক্লিবা নুমিৎকী মতৌবু কূপশেন শেন্নে। কন্যাকুমারীদদি উরকখিদ্রবনি। পেন্দবা নুংঙাইতবা মতৌ অহু ঙসিদি লৈত্রে। তশেং তশেংলবা অতিয়াসিদগী মনিং তম্না নুমিংনা লৈথরকপা অসি-দনি উরিবা। তপ্না তপ্না সমুদ্রগী মখয়াৎ মন্নুংদা চংবা হৌরকপদা বিরেন্না ফোটো নম্মি। সমুদ্রনা য়োৎখিবগী থাঙবা ঙমদবা নুমিংকী চৈনা অহুবু অমুক লোৎশিন্নবা হোৎনবদা হান্নদগী হেন্না কনখৎলকই ঈথকসু।

মমশিল্লক্লহুনা মরী মরী হন্নবা হৌরক্লে মীয়াম কোবালম থাদোক্লুনা। চৈ পায়হুনা ছাত্র ছাত্রিশিংবু শেন্নবা য়াওরিবী ওজা

মুপীশিংদুনা য়াওগী শঙ্গু শঙ্গু হোইবগুম বস তম্না হোইখিবত্ত উরকই। অকোয়বদা হৌরিবা উপাল রাপালশিংগী মরক্তগী মৈঙালনা চিং চিং লিংথোরকপস্মু উরে। অতিয়াদগীস্মু থরানমিচাকশিংনা কুফেং কাফেং তৌবা হৌরক্লে। ঐথোয়গীস্মু হম্নবা মতম ওইরক্লমাল্লে। থারবা লৈঙোই মথক্তা চৎপস্মু লোইশিল্লক্লমাল্লে। বস মনাক্তা লেপলম্লে। মীনৌশিংগী অফা অপুন্নবা য়াওম্রবা হকচাংশিংনা ঈশিংদা চোংথবগী হৌরবা খোঙ্গেলদি তারি।

শৈদিম্নবা

খঙবা ' করিগুম্বা খরদি মলয়ালম সাহিত্যগী মরমদা খঙফম থোকই। খঙননবা মলয়ালম অইবা খরা উনবা চংপসি কেরলাগী কোন্নুং তিরুবনন্তপুরমদা লৈরগা ওইথোক্কনি। অইবা কয়া উনদুনা পাউ ফাওদোক্কনবা, কেরলাগী মবমদস্থু খঙননবা চংপগী প্রোগ্রাম অসিনা মাঙদা থম্লগা। তিরুবনন্তপুরম য়োৌবসি ফেব্রুৱারীগী ১৭ তনি। হোটেল অমদা হুমিং খরনি লৈননবা ঙাংনববা তুংদা নুংথিল পূং অহুমলোম তাবদা পণ্ডিত কোলোনি ক্কাদিয়ররদা ঐথোয় অহুম চংলি। অইবা অমদা মাগী মরুপ অমনা শক্তাক চে অমা ইরগা পুথনা চংলবদি য়াম্না নুংঙাইনি; হরাও হরাওনা তৌরক্কনি মরম অসিনা প্রোঃ আই আর বাবুদা চিঠি অমা ইহল্লু হায়না ওজা নোং-মাইথেম তোম্বীনা হায়বদগী ওজা বাবুনা ডাঃ কে এম জর্জ্জদা ইবা চিঠি অমা পুথনা চংলি। নেসনেল বুক ট্রষ্টকী প্রোজেক্ট ওফিস

অমা লৈরিবা পণ্ডিত কোলোনিদা ডাঃ জর্জ্জ ফম্মি। ত্রষ্ট অসিনা ফোঙগদবা মষ্টরপিসেস অফ ইন্দিয়ান লিটরেচরগী চিফ এদিটর ওইরিবা ডাঃ জর্জ্জগীদা চঙতুনা ওভা বাবুনা পীরকপা চিঠি অদু মাগী পিওন 'অমদা পীশিলহল্লি। চিঠি অদু হেক পাবগা ঐখোয় অহুম চঙলকউ হায়রকপদগী চঙলুবদা হরাও হরাও তৌরকই। লেপখত্তুনা খুৎ শোকলকই। চা কৌতুনা পীথকই। মাগী থবক্তা মতুং পাংলিবা জি এন পানিকরস্থু কৌশিল্লি। ঐখোয়বু শকতাকই। চাং লেম্মী জর্জ্জ। থাপগ্রব মফম অমদগী লাকপনি হায়তুনা ঐখোয়দা হরাও হরাও তৌবীবগী মওং অমা উই। য়ুনিভরসিটি অমদগী পোথারবা প্রোফেসার জর্জ্জনা হায়রকই - "অইবা খরা উননবা ঐহাক শীল্লগে। অতুগা তাং ২১ দা শৈরেং পানবগী মীফম অমা পাঙ-থোক্লসি। মসিদা ঐহাক অইবা খবদা পাউ পীগ্রগে।" ইনাক্তা ফম্মিবা পানিকরগী মবমদস্থু মহাক্কা শক্তাক্লকই - "মহাক অস্মি ব্লারী মচা ইবা, নোভেল ইবা অমগুং নৈনবা মীওইনি। ইংলিসকী প্রো-ফেসার অমা ওইরম্বদগী পোথাবে। লাইরিক ৩৬ হেন্না ফোঙখ্রে। হৌজিক্কা মষ্টরপিসেস ওফ ইন্দিয়ান লিটবেচবগী একজিকিউটিব এদিটর ওইরি।" মহাক্কা অমুক খুৎ শোক্লে। ঐখোয় অহুমস্থু ইশা ইশানা ঐখোয়না তৌরিবা থবকশিংগী মরমদা হায়। জর্জ্জনা টেলিফোন তৌতুনা মলয়ালম লোনগী অকাওবা কবি ও, এন, ভি কুরুপতা ঐখোয় লাকপগী মরমদা রারী শাই। ঐখোয় লাক্কনি হায়বগী পাউস্থু পীখি। মগাক্কা মাগী পিওন অমা থাতুনা ওতো রিক্সো অমা ফাহল্লুই। ঐখোয়বু ড্রাইভর অদুদা নীংথিনা শিন্নতুনা কুরুপকী লৈফম রবিন্দ্র নগরদা চংনবা হায়।

অগল ওইরক্লবা কুরুপ ঐখোয়বু উবদা হরাওনা মাগী কাদা কৌশিল্লি। মহাক ওাঙবা য়াম্না ফবা মী অমনি। মহাক্কা কবি-গীদমক শৈরেং ইরিবনো হায়বগী শাংলবা রারী অমা লিবদা মতম

ফম্না য়াম্না হৌখি। মহাক্কি রারী খুদিংমক শৈরেং ওইনা ই। মহাক্কী লাইরিক থরদি ইদিসন তরাদগী হেন্না ফোঙম্রে। মহাক্কা ইবা শৈবেং অয়াম্বা মাগী লৈপাক লৈহাওদগী শেমগৎপনি হায়। মহাক্কা পৃথিবীবু অমুক্কী মতিক নুংশিজৈ অতুনা কপপসু ওম্মি হায়না ফোঙদোকই। ঐখোয়না পৃথিবীসিদা লৈরগা ঐখোয়না অমুক পৃথিবীদা অরাবা পীবসি খাঙবা ঙমদে হায়। বাইবল কুরান রামাযন মহাভারত গিতা পুন্নমক খঙই। হৌজিক্কা চান চানবা য়েংতুনা রারীশিং অসিদা য়ুমফম ওইরগা শৈরেং কয়াসু ই হায়। মাগী লাইরিকময়াম শৈরেং ময়াম ফাক ফাকুনা কোইয়েং য়েংই। মণিপুরী সাহিত্যগী মথমদসু হংলকই। ওল্লিঙৈ মতমদগীনা হৌজিক ফাওবগী ইতিহাস মতেক অমা লিতুনা তাহল্লি। মণিপুরগী রারীমচা, শৈরেং বথা মেদনিজমদা মাঙজিন থানা চঙশিল্লকলি তাবদা মঙোন্দা অঙকপা অমা পোকপগুম তৌই। নীলকান্ত সমবেন্দ্র বিনোদিনী-নচিংবা মহাক্কা খঙলম্মী। নুমিদাংরাইবম ওইরক্লতুনা থোরক্লে। ধূপ তগবরত্তিগী মনমদি লৈহৌরি।

ফেব্রুরারী ২১ তু খঙহৌদে। য়ৌবকখি। নিংথৌকাবনি। ইপোক নুমিৎকা ওইবসিদা কবি থাক্লগবা খনখি। জর্জ্জগী কাতুদা ঐখোয তুমিন ফম্রে। জি এন পানিকর, কবি নিলম পেরুর মধু-সুদনন নায়রনচিংবগা পুন্না ফম্মিন্নবে। তাইবোমচাদি ইক মায়-থঙবা তোয়রবগা লাক্লগে ঐখোয় চৎলম্লে। হায়তুনা লৈহৌবি ঐখোয়না লৈবা হোটেলতুদা। শৈবেং অমমম পাথোক্লসি হায়বতুদা ঐঙোন্দা হান্না পানবা জজ্জনা হাযবকই। এজো ব্রোজেন্না ইংলিসতা হন্দোক্লবা ঐগী শৈবেংশিংতু মখোযদা অমমম য়েন্থোকই। ঐগী শৈবেংগী নাইবিক 'অফ্রিকা' গী তোপী অমমমসু য়েন্থোকই। লাই-বিরু মমিং ওইবিবা 'অফিকা' অসি পাঙগে হায়তুনা ইংলিসতা পাই। জজ্জনা অমুক মণিপুরীদা পাউ হাযবকই। খবা তম্লম্না পাবা

হৌরকপদা জর্জনা খরা হৌনা পাউ হায়রকই। ঐনা য়াম্না হৌনা পাই

অফ্রিকা

লৈত্রক।

লাওনা চৎলবা লৈক্রেকশিং
খোঙ কয়া পুখগ্রবা
খোঙ কয়া থুদেকগ্রবা।

ভেলঙ্গা পাইদুনা চেল্লকপা অঙাংশিং
তাশিনখি লৈক্রেক মন্নুংদা।
মখোয়গী কপ্পগী খোঞ্জেলদা
লঙজা ক্যকশিংনা পাইথোকখি।

পুংকক চাউরবী নুপীমচাশিংনা
শেৎলিবা মফি মরোল শেগায় শেগায়দুনা
চাথোকই হাউনা।

নোংথক্তা পাইরিবা এরোপ্লেন্দা
য়েংখৎলি খৌরাংনা
ঙক্তগী হেন্না লেঙবা ঙমদ্রবা
পূক পায়দুনা খাঙলিবা
মীগী পরেং পরেংনা
ঙাইরি থাদরকপা
বোম নৎত্রগা চাক।

মশাগী
মনা থদস্তুনা শায়র শায়রগা
ওইনয়া
শঙ্গু শঙ্গু লেপ্লি
পাখং মচাশিংনা
লৈক্রক্কী অকোয়বদা।

চিলহাও থিরবা মবৈ কযা
মশীং লাকঙমদনা
থদস্তুনা চাইথোবক্লি
পাক্লবা অফ্রিকাগী লৈমায়দা।
অশিবা মীগী হকচাংশিংনা
ফুল্লগনি লৈক্রককশিং।

শৈবেং পাবা লোয়ববা মতমদা জর্জ্জনা হায়রকই— "ঙসিদি শবতচান্দগী শৈবেং তাকবদগী চাউথ্রবা পৃথিবী অসি য়াম্না পিকপা থুঙ্গং অমগুম উহল্লে। কদাইদা কবি থোক্লিবা কদাইদা কবি. তৌবিবা হায়বসি হৌজিক্তি খুদক্তা থঙনবে। যেনখাদা থোকপা থৌদোককুম উহল্লে। থাপ্রবা অমদি পীকথ্রবা ষ্টেত মণিপুবদা লৈবিবা শবতচান্দনা থাপথ্রবা অফ্রিকাদা থোক্লিবা নুংঙাইতবা থৌদোক খন্নবু মীংনা উবগুম মাগী শৈবেংনা পাউনম্লি। মসিস্থ সাহিত্যনি। ঐথোয পূম্নমক তিন্নহনবনি। নকশিন্নহনবনি।"

মথংদা বিবেনবু শৈবেং পাননবা জর্জ্জনা অমুক হায়রকপদা 'ঙান্ত থঙ্গোং' হায়বা শৈবেং অমা মণিপুরী অমস্তং ইংলিসতা বিবেন্না পাই। মহাক্কী শৈবেংদা শিজিন্নবিবা ফজববা ইমেজবিশিংবু শিংথাবহুনা ভজ্জনা মাগী ওইবা ওবজাবেসন পীখি। মধুসুদনন নাযবস্থ মলযালম লোন্দা শৈবেং থিখি। মথং মথ, শৈবেং থিনবা লোযবব-

ফাওবদা তাইবে।মচাদি য়োৌরত্তুনা শৈরেং থিবা য়াওখিদে

শৈরেং পানবগী থৌরম অসি হেক লোয়বগা ঐখোয়না লৈরিবা হোটেলদু তম্না বিরেন ঐখোয়নি লাক্লে। হোটেল য়োৌবগা অতিয়াদা অথাক অরাও হৌবক্লে। ন্নুংশাগী মৈশাস্তু করম্না মাঙখিবনো খঙহৌদে। নোং জম জম তারকই। ছাটিন য়াওদবা কয়ানা নোংগা মূক্কুনা চংখিবদু হোটেলগী থোঙনাউদগী উই।

মলয়ালম সাহিত্য চাওখৎননবা অইবা কয়ানা হোৎনরিবদু উই। মখোয়গী লোন্দা য়ারিমথৈ লাইরিক ফোঙনবা হোৎনৈ। মকম খুদিংমক্তা সাইন বোর্দ খুদিংমক্তা মখোয়গী ময়েক্তা লোইনাই। মখোয়গী মরোন অমত্তুং ময়েক ন্নুংশিজবগী খুদম কয়া উরকখি। চহী ৫০ হেল্লবা সাহিত্য প্রভারটকা কোওপরেটিভ সোসাইটি (সোসাইটি ওফ রাইটরস) না ওসি ফাওবদা মলয়ালম লাইরিক লীশীং ১৪ হেন্না পুথোকখ্রে। এসিয়াগী মন্নুংদা অসিগুম্বা অইবশিংগী সোসাইটি অসি অতাংবনি। মেম্বর ৮৫০ হেন্না লৈরবা সোসাইটি অসি মলয়ালমগী লময়ানবা অইবা তাকাজি শিবশংকর পিল্লাই, ককণ নিলকান্ত পিল্লাই, পোনকুনম বর্কে, দিসি কিজাকেমুরি, পিকেশব দেবনচিংবনা লিংখৎখিবনি। সোসাইটি অসিগী তোঙান্না লৈজবা নেসনেল বুক স্টোল অমনা লাইরিক কয়া য়োল্লি। মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনৈ। অইবা কয়াদা মতেং পীহুনা লাইরিক কয়া ফোঙহল্লি। কোতায়ামদা লৈবা সোসাইটি অসিগী মতেংদগী মলয়ালম সাহিত্য য়াম্না চাওখৎলে হায়না কবি মধুসুদনন নায়রনা হায়। মহাক্কী লাইরিক কয়াসু সোসাইটি অসিনা ফোঙখে। পীক্লবসু মণিপুরদা লৈরিবা রাইটরস ফোরমদু নীংশীংলকই। নায়রদসু ফোরমগী মতাংদা রারী শাই। মগুন লৈবা লাইরিক পুথোকপদা নওনা ফোরমগী লাইরিক কয়া সেন্ট্রেল সাহিত্য একাদেমী এরার্দ ফংনবা য়াওখ্রে হায়নসু মঙোন্দা তম্মি।

অইবা অমদি সাহিত্যগী সংস্থান কয়াগী থৌপুবশিংগা মগং মগং উনবদা মলয়ালম সাহিত্যনা চাংথংলবা হোৎনরগী নিংহল্লবা থৌনা কয়া খঙলকই। ঙমনানিংঙাইনি। ঙমিং থেংনবা নীপাঙ্গি উক উক লৈত্তুনা কেরলাদা লৈরম্লগা হল্লগনি হায়বদা ঙংঙাইতবা খবদি ফাওবকথি। কেরলাগী হরা স্নুংশিং খবা খবা হৈনবকপতুনা। অত্তুবু মংঙ্গা লাকই। চংখ্রো হাযতুনা। চংপদি শোয়দনা চংলগনি। খওবা। খওবা হায়বসিমদি বয়াম খওলবা। রহং অসিমদি অত্তুম্মক হ হুনা লৈবগনি।

মঙালে

হল্লকপা। চৎলবদি হল্লকপা হায়বসিমদি শোয়দ্রবনি। কৈদৌঙৈ হল্লক্কনি হায়বসিতনি ঐখোয় অহুম্না গায়বা ঙমখিদবা। অহুবু কেরলা থাদোকপা নুমিৎতি ফেব্রুৱারী ২৫, ইরাই নুমিৎ ওইরমখি। নুমিৎ অসি য়ৌরক্তুনা ঐখোয় অহুম কেরলাগী মফম খরা চৎপা ওইরম্লে। নুমিৎ অসিনা লাক্লবদা ঐখোয় পন্থবা য়ারক্রে। তাল্লকলে। ত্রিসুরদগী মদ্রাজ তম্না মদ্রাজ এক্সপ্রেসতা তোংদুনা নুমিদাংৱাইরম পূং তরুক মথায়দা ঐখোয় অহুম লাক্লে। ফাইবেনগী ১৪ নি পানবা ইবাই নুমিংনি। নুমিদাং ওইবক্লদুনা অহাংবা অতিয়াদগী নোংদোল থাজনা থাবল চাইথবা হৌরক্লে। ত্রেনগী থোঙনাউ মনাক্তা ফম্লি হায়বতনি। ঐগী রাথলসু ঙাইহাক কোই-রুরমাল্লে।

—থাবলসে ফজত্রা

—ফজৈ। অদো কৈদৌরবা

—অদুই য়ানিদা

—করিগুম্বা খরা লোৎপা মাল্লি। কবি করিনো খরস্বু হায়নেদায়নে

—করিস্বু লোত্তেদা। হায়নীংবস্বু লৈতেদা

—নবুক্কু ফত্তবা য়াখলনা পীক থল্লোকো। হায়নীংবাদো করিনো দোং দোং হায়য়ু কৈনো।

—থাজদবা

—করিবো

—থাজবা ডমদেবা

—ঐস্বু থাজদে। নঙসে স্নুকথা হেক থাজদে

—অদুদি চপ মান্নরেনে

—মান্না ...।

—হা! হা!

"শরৎচান্দ শরৎচান্দ চাক য়োরকএ" বিবেন্না লেংজ্রমদা পোপ পোপ য়ৈরম্মী। য়াংনা কাখৎলকলিবা নোংদোল থাজনস্বু ঐযু উবদা নোকশিল্লকই। ইকায়বা থাঙবা ওইনা খুৎ অনীনা মীং অনীদা নোইদুনা শান্নরম্মী। চাক চাথোক্লবা মতুংদা ঐহাক তুম্নবা শেম-শাদুনা লৈবদু ফম্মিন্নরীবী তামিল মৌনহাশিংদুনা মূনা মূনা য়েংলকই। থৌশারুবা তৌদনা তুমথনবা হোৎনবে।

মদ্রাজদা থুংবদু অয়ুক্কী পূং মঙা তারম্লে। ত্রেন্দগী হেক কুম-থবগা ঐখোয়গী পোৎ চৈশিংদু পুশিল্লগা স্তেসন মনুঙদা চঙলে। গুৱাহাটি ফাওবা চৎনবগী টিকেৎ ককপা চৎথ্রে তাইবেৎমচাগা বিরেনগা। ঐনা পোৎচৈশিংদু শঙহৌই। পৈশা নিবা কয়া মথং মথং চঙলকই। খরা লুংশিবা ফিভম চাদবা য়েংলগা শেল অচোইবা খরা পুরকপদু পী। তুল্লিবা অঙাংদু পুদুনা নুপামচা অমা ইনাকতা

চঙলকপা উই। অঙাংঙু উংলা উংলগা শেল নিবা চংলি মহাক্না। মমাঙুদি মরেক কারবা শাবিঙুগা লৈমায়দা হিপ্লি।

- বাবু পৈশা খিত্তা পীবিয়ু। অঙাং অসিবু চুংশিবিয়ু। মহাক্কী মচীন্দা করিগুম্বা অমত্তা তারক্লিবনি।

মোংলবা মখুতু শিংথেক্লুনা ঐঙোন্দগী মীতুংশি নিংকই। হাকাম চল্লঙুনা অঙাংঙুনা লুপামচাঙুগী মবেংবান্দা অমুক উইথখি। মথায় অমথক লৌথোকতুনা পীবঙু হপাওনা লৌবগা মথং মথং পৈশা নিবা চংখি। ঙৈহাক লৈবগা অঙাং অতু মমাগী মনাক্তা থনম্লগা ফংলকপা শেল অতুস্ু পীবম্লগা লুপামচাহু চেনখিবা উই। অঙাংঙু মমাঙুনা মথাক্তুংদা চেংনা কোনশিনবীখি। শোয়নাইবগা য়েংবদা হঙ্গোইরবা কয়াস্ু মথং মথং ঐনা ফঙ্লিবা মায়কৈসিদা পৈশা নিবা চঙলকই। পৈশা নিবা মখাম চঙলকপঙুগী মবক্তা অমুক ঙসাইগী মমাঙু অমুক মচা পয়লগা বাবু হায়ঙুনা মখুং শিংথোক্লে। ইথক্তা খল্লি— "করিস্ু খঙজদ্রবা অঙাং অসি কোয়পু পুঙুনা মী পুন্নমক্তগী মীতুংশি নিংগে খল্লিবনিকো!" তঞ্জাসিদা তাইবোমচা অমঙুং বিরেনস্ু থুংলরে। তাইবোমচানা হায়বকই

- য়াম্না রাবম্লনি। চংলসি হোটেল অমা থিবগনি
— টিকেৎ ফংলব্রা
- ফংঙে। হাওরা ফাওবনা রাইটিং লিইতা। অতুদগী গুৱাহাটি ফাওবনা রিজার্বেসন অঙুদি রাদৌরিদা
- খবা রাবা তারেদনা

তাইবোমচানা চংনা তকশিন্নকপঙুদা চংকদবগী শেংইংগশিংঙু তাপ পায়ঙুনা লেপখংলকপদা পৈশানিবী লুপীঙুনা অমুক বাবু হায়ঙুনা ইমাংদা চপ লেপশিল্লি। মথায় চংপী অমা পীবম্লগা ঐপোয অগম হোটেল অমদা চঙলে। ঙসি অসিমা মদ্রাজদা লৈরগা হয়েং

অয়ুক বেঙ্গলর-গুৱাহাটি এক্সপ্রেস তা চৎলগনি হায়বদগী হোটেলদা নীংথিনা পোত্থারে।

ফেব্রুৱারী ২৭ ঐগী পোকখিবা তারিখনি। নুমিৎসিগী অয়ুক্তা থোরক্লুনা ঐনা নুমিৎপু থুকমঙ্খি। মদ্রাজ থাদোক্লবগীদমক অয়ুক্তা ত্রেন তোংনবা শেম শারে। টিকেৎতি কনফার্ম তৌদ্রি। হেক্তা তোংশিল্লসি হায়দুনা ঐখোয় অহুম থোরকখিবনি। য়ান্না থাজনদনা ঐখোয়গী লৈকায়দা লৈমিন্নবা মোহন মীনাল কৌবা মরূপ অমা থেংনদুনা মাগী কাদা ঐখোয়গী পোৎচৈশিং থমজিনখি। মহাক্কী মচন্নুপী অমা বেঙ্গলরদা লায়েংবা চৎলুবনি হায়। মাগী কা অহুম্সু য়াম্না চিল্লি। ঐখোয় অহুমদি অতোপ্পা কোচ অমদা কাখদুনা লেপ্পা লেপ্পা মদ্রাজ থাদোকপা হৌরক্লে অয়ুক্তা। মৈতৈ মচা ময়াম মথং মথং থেংনরক্লে। নুংথিলগী মতমদি মখোয়গা লোয়ননা ফন্বা ফংলবসু নুমিদাংদদি করম্না তুমগনি খনবদা ৱাখলসি লৈতাফম খঙদে। ঐগী ইপোক নুমিৎনি হায়বদুদা তাইবোমচা অমসুং বিরেন্না হেপ্পি বর্থ দে টু য়ু হায়দুনা য়াইফ পাউজেল পীরকই। থৌনা খরদি লাকপগুম তৌই। ঈশৈ শক্লুনা ৱারী শাদুনা স্তেসন অমদগী স্তেসন অমদা লাকপদা হায়নরুবা তৌদনা নুমিৎসু ময়ুম চঙখিরম্লে। ঐখোয়সু অমুক নুমিদাং তূম্নবগী খনবদা মথা শানবা হৌরক্লে। চাক চাথোক্লরবা মতুংদা তূমফম ফংলবা ময়ামদি মাগী মাগী তূমফমদা তূন্নখ্রে। বিরেন্দি ফি অমা থাদুনা মখাদা হিপখ্রে। তূম্নখ্রিবা ময়ামদুগী মৰক্তা ফনদুনা লৈবদু লুংঙাইতদুনা ল্যাভাটোরি মনাক্তা নীংথিনা ফম্লগা নোংঙানবা ঙাই। তাইবোমচাসু ঙাইহাক ইনাক্তা লৈরম্মী। অদুদগী কদোম চৎখ্রবনো উহৌদে। ঙাইহাক উবোল উবোল উইথকরম্মাল্লে। ইনাক্তা ওরিসা পুলিস অমা চৈ পায়দুনা লেপ্লম্মী। টিকেৎ য়েংগে হায়বদা ফুরিৎখা ওদগী লৌথোক্লুনা উৎলি। ইনাক্তা ফন্বা অহল অমদি টিকেৎ য়াওরমদবদগী পুলিস অদুনা ঐগী

মাঙদা মাবু খুপাক্লা থারকই। চৈনা কনবা হৌরকই। ঐহাক থক থর্ক নিকলকখি। ঐঙোন্দসু ফুরক্লগদ্রা হায়না পাখৎপা পোকখি। অহল অত্নুদা ফুরিঙৈ তাঙ্গাত্নুদা ফুক হৌগৎলগা পরপ পরপ চেল্লক্তুনা বিরেন্না মখাদা হিপ্লিবত্নুগী মনাক্তা তুমপক তাশিন্দুনা খর পিক্লা হোন্দুনা লৈ। পুলিসতুনা অহলত্নু চৈ অত্নুনা মনঙ্গলদা ইল্ল ইল্লগা পুথোকখি। ইনাক্তা অমুক লাকদ্রা পাখত্তু্না অমম্বা মরক্তুদা ইথক্তা পাকথজখি। মতমত্নু নোংঙাল্লমদাই পুং অহুম্লোম তারে। থোঙ-নাওদা তোইনা কোরৌ মঙাল চাইথরকপরা য়েংই। ঙৈহাক লৈরগদি তপ্পা তপ্পা থুংলরে।

অয়ুক ঙইরবসু ইহৈ হৈনিংদবা পোকই। রা ঙাঙনিংদে। ইতন তম্বগুম তৌই। ল্যাভাটোরিদগী থোরক্লগা তাইবোমচানা হায়রকই

—কৈদৌরে শরতচান্দ

—কৈসু তৌদে

— কৈসু তৌদ্রগা করিগী তুমিন্না উংত্নুনা লৈরিবা ?

— উংবা য়াদ্রবা

— য়াদেনে

—য়াই

— নত্তে, করি প্রোব্লেম লৈরগে

—কৈসু লৈতে

তাইবোমচাগা ঐগা অরায় অথুম তৌনবসিদা বিরেন্না অমুক ঐগী খুং পায়ত্নুনা হায়রকই

—কৈসু লৈতবা য়াদ্রা ?

— য়াইনা

— নঙ লোৎকসু। শেংনা হায়য়ু

— ঐ করিসু লোত্তেরানি

হায়দোকপা ইকায়বদগী শিখাং খাংহুনা 'কৈস্থ তৌদে' হায়বদগী হেন্না মখা তাবা ঙমখিদে। নোক্তুনতা ল্যাক্লগা ঐনা ইস্থক স্থকথরসি উবদা তাইবোমচাগী মুংঙাইতবা হেনগৎলকপগুম তৌই। অমুকস্থ হংলকই তাইবোমচানা

—নত্তে নঙবু কৈদৌরগে

- -কৈস্থ তৌদেমি তাইবোমচা

—কৈস্থ তৌদ্রগা ইস্থক স্থকথবা যাদ্রা ? ঐখোয়না লাক্লিবসে ঘুমলোমদনি য়ুমদা। নঙবু য়ুমদা হন্নিংলে হায়বদায়নে। নঙ ফাগী তৌজস্থ। জাং জাং হায়জরকনিকো

ঐহাক য়া মখা তাদ্রে। নোক্লিংবা রাবী পূন্নমক লিথোক্লগেদি খল্লে। অদুবু ইথস্তা ইকায়বা অমদি অস্থম্রক লোয়নদুনা লৈরি। তাইবোমচা অমস্থং বিরেন্না ঐবু লান্না লৌখিবা তারে হায়নস্থ খল্লকপদগী রাবী অসিমদি লিথোক্তবা য়াদ্রে।


রাবী পূন্নমক শিং নান্না লীবদা তাইবোমচা অমস্থং বিরেন রান্থগদোবমথৈ নোকখি। ঐস্থ হৌনা নোকথোকখি। খা ভাবততা চেকশিনবা, থকশি খাসি, চৎলিবা পেসেঞ্জরশিংগী সিঙিক সেঙ্গ পূন্নমক তমজনিংঙাইহন্নি হায়না ঐখোয় অহমগী ওইবা মত্ত কয়া কোঙদোক্লখি। মুংশা হাইগৎলকপচুদদি হকাম রা রা চল্লতুনা অমদি ঙরাং মুমিদাং তুমখিদবনা ঐহাক চাক চমাংতুমদি পেন্না তুমথোক্লে। মীকপ থোবকপদা মুংঙাইবা ফাওবকখি। মরমদি ট্রেন অসি ইম্ফুম লমদম পাংলবনিকো হায়বসি খঙবদা। অদুবু ড্রাইভর খরনা মথোয়গী দাবী তানবা ওইনা বেল লম্বী থিংজিনখিবদগী হাওন্না চৎপগী মতুঙ্তা বরগাওন্দা চংলে। বরগাওন্দগীদি রিজার্বেসন ফংদুনা গুৱাহাটি ফাওবা মুংঙাইনা হল্লকখি। বেঙ্গলগী মৈথুনা কুপশিল্লবা মকয় খরা লাম্থোক্তুনা গুৱাহাটি য়ৌবদা মুংঙাইবা খরা ফাওরবস্থ গুৱাহাটিদা মীমিলনা পীক থল্লম্মী। মার্চ ১ গী মুমিদাং পুং মাপল-

লোম তাবদা গুরাহাটিদা থুংলবস্থু হোবে হোবে ইম্ফাল চৎলগুমসি হায়দুনা ঐখোয় অহুম হোটেল অমদা চঙদুনা পোখারে। মার্চ অনীগী অয়ুক্তু মুমিৎনা তরং তরং থোক্লুনা লৈরম্মী। অইংবস্থু ফাওরকই। কেরলাদা শাহৌবদুগা। অয়ুক্কী করিগুম্বা খরা চাননবা হোটেল অমদা লাকপদনি তারেল অমনা ফৈজা শারদুনা অচৌবা কপ অমা কোকথক্তা থাঙ্গৎলদুনা শান্নরোই অমনা লাকপদু উখিবা। মথং মথং উরক্লে মখুত্তা কপ মচা অমমম পায়রদুনা শান্নরোইশিং লাকপা। ইঙক ঙকই ইভোমতা। করিনো খনখি।

"ওজা!" য়াম্মা হৌনা কৌরকপা খোঞ্জেলনি। কনানো হায়না মুন্না য়েংলুবদা দেবানসন অনাল ওইরম্মী। মহাক উবদা মণিপুরগী বোক্সিং টিমনি হায়বসি খঙবা ঙমলে। মখোয় তম্না চেনশিন্দুনা হরাওবগা লোয়ননা খুৎ শোক্লে। কোকথক্তা কপ থাঙ্গৎলিবদু কিরম্মি হায়বস্থু খঙলে। লেনিন মৈতৈ, দেবিদ ঙাইতে, দিনকু, গাগারিম, চীংলেন, রবিচন্দ্রনচিংবা বোক্সর ময়াম্মা ওজা ওজা হায়দুনা মখোয়গী মুংঙাইরবা রারীশিংত্ত ঐঙোন্দা লী। ফেব্রুয়ারী ১৯ দগী ২৭ ফাওবা নই দিল্লিগী তালকতোরা ইন্দোর স্তেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা রাই এম সি এ ওল ইন্দিয়া বোক্সিং চেম্পীয়নসিপ্তা মণিপুরগী মহুৎশিন্দুনা শরুক য়ারুবা বোক্সর ঙাক্তনি হায়বসিস্থু খঙলে। সবজুনিয়র, জুনিয়রদস্থু টিম চেম্পীয়ন, বেষ্ট বোক্সর অদুগা চেম্পীয়নসিপ অসিগীস্থু ওভর ওল টিম চেম্পীয়ন ফংলকলে হায়না কোচ মোইরাংথেম নরজিৎনা হায়। মখোয় হরাওবা মুংঙাইবগা লোয়ননা লাংলদুনা চৎখি। ইথম্তা খলহৌই— "শান্নবা হায়বসে কয়াদা ঙকগ্ররনো? কয়াদা মুংশিনহনগ্ররবা? খৎনরিবা নাগা কুকিশিং শান্নবা চৎপা মতমদদি মীচং ওইদুনা কয়াদা হরাওনা চৎমিন্নরুবা! কয়াদা হরাওনা অমুক হনমিন্নরক্লিবা! কন্যাকুমারী চৎপদা তামিল মচা অমনা হংলকখিবদু 'শান্নবনস্থু ঙমগনি' হায়রম্নবদি মুংঙাইরম্নগদবনি।

ফরে হৌজিক্তি শাল্লবনা পুরক্লনল্ল লুংশিনবা। অমগা অমগা তেংবাঙনবা। অমত্তা ওইবা।"

মার্চ অনীগী লুমিদাং পুং তরেৎ মথায় তাবদা বসনা গুরাহাটি থাদোরক্লে ইম্ফালগীদমক। আসামগী জঙ্গলশিং নাগালেন্দগী চীং লম্বীশিং মথং মথং ঐখোয়দগী লাপহৌরে। কুইনা থাদোক্লুরবা ঐখোয়গী ইম্ফাল সহর অস্তুম অস্তুম নকশিল্লকপদা হকচাং অসি তেকখৎলকই। মার্চকী অহুম, শগোলশেল লুমিৎকী লুংথিল পুং মরি তাবদা ঐখোয়না কুইনা থাদোক্লুরবা ইম্ফাল সহরগা ঐখোয়গা চেজেৎ কোনশিল্লরে। ইম্ফাল সহরগী মথানুংদা পোখাতুনা ঐনা লুমিৎ কুননিগী রারী অমত্তা চিংখদনা অহিং চুপ্পা লীখি। ইম্ফাল সহরনা ইকোক্তা নাম্থবীরতুনা হায়রকই— "হন্দকী খোঙচৎসিদি তশেংনা মহৈ য়াল্লেদনা!"





পোক্লফম পব্লিকেসন্স, ইম্ফাল

ফোঙলবা লাইরিকশিং

১। নরসিংহ
(অবাঙম্বা)
অইবা ঃ লাইরেনময়ুম ইবুঙোহল সিংহ

২। তাম্বা
অইবা ঃ হাওবম তোম্বা সিংহ

৩। কনানা হায়জিল্লিবনো
(অহানবা শরুক)

৪। কনানা হায়জিল্লিবনো
(অনীশুবা শরুক)

৫। ডাঃ কমলগী খোমজিনবা লাইরিক

৬। হাজিল্লকপা ঈশিংখী মনাক্তা
অইবা ঃ শরতচান্দ থিয়াম